রিঃ নং ৩। কোংগ্রেস লাইন অমসুং আইডিয়োলোজি (কল্পনা) দা মনিপুরী শিংগী একটিভ পোলিটিকেল আর্গেনাইজেসন (উদ্দেগী রাজনৈতিক সংগঠন) অমা শেমবা লেপনরে। অদুগা শ্রীযুং বিদ্যাপতি সিংহনা বি, এ, এম, এল, এ,না সভাপতি অমসুং শ্রীযুৎ ধনেশ্বরসিংহনা সেক্রেটারী ওইদুনা আসাম মনিপুরী কোংগ্রেস কৌবা রাজনৈতিক সংগঠন অমা শেম্বা মতনা লেজিটিমেট পোলিটিকেল ডিমাণ্ড (আইন সংগত রাজনৈতিক দাবী) শিং অদু ভারবা অমসুং সংগঠনিক পরিশ্রম (আর্গেনাইজেসনেল ৱার্কস) শিং লৌখৎনবা লেপলে।

রিঃ নং ৪। লক্ষীপুর অনর্ হাইস্কুলদা (Earle High School) বিষয় পুমনমক্তা মনিপুরী ভাষাগী ইন্ষ্ট্রকসন থমনবা অমসুং গবর্ণমেণ্টতা মতিক চাবা আরগুমেণ্ট পিরম্বা লোম্বনি। অদুগা অহানবা চেংবা বর্ত্তমান হেড মাষ্টার মৌলবী সাহেবুজ আলি বাবুভুয়া বি এবু এবজোর্ব (Absorb) তৌবগা মনিপুরী অমা এপোইন্ট তৌবা। এডুকেসন ডিপার্টমেণ্টতা অমসুং অদুগাগুম আসাম গবর্ণমেণ্টতা হাই স্কুল চেংওইগা মনিপুরী ভাষাদা ইন্ষ্ট্রকসন থমনবা গবর্ণমেণ্টকী শিক্ষা বিভাগতা ইনষ্টীটিউসন অদুব থমনবা লোমগনি।

রিঃ নং ৫। অচুম্বমক মনিপুর শিং অস জেনেরেল ওইনা লাইরে, মখোইগী ইকণমি অসি মরাম তিয়ামা অমুক নৈনা লেংশিনবা সাউণ্ড ইকনমিক প্লানিং অ। দরকার ওই। মনিপুরী ন্যাসনেল বেঙ্ক অমা শিন-চরদা থুলবা অদুগা অহানবা থবক্কী দমক বেঙ্ক কমিটি শেমদুনা মথাগী সদস্য শিং অসি খনরে।

১। শ্রীযুং বিজয়চন্দ্র সিংহ শিলচার,
২। " দেবসিংহ জাকিরবন্দ
৩। " নিলমনি সিংহ শিলচর
৪। " গৌর সিংহ লক্ষীপুর
৫ " সংগ্রেসসিংহ শিলেট
৬। " নন্দকীশরসিংহ শিলচর
৭ " গোকুলচান্দসিংহ সোনাই।

রিঃ নং ৬। মথাগী মেম্বরসিং অসিনা ইডুকেসন প্লানিং কমিটি অমা শেমবা লেপলে :—

১। রমন সিং বি এ, বি, টি শিলচর
২। নন্দবাবু সিং বি,এ উদারবন্দ
৩। দেবসিং বি, এ, জাকিরবন্দ
৪। গোপাল সিং বি এ ধালাই
৫। কালাচান্দসিং বি, এ, লক্ষীপুর
৬। গৌরসিং " "
৭ বাগিশ্রচন্দ্র সিং মৌলবী বাজার।

রিঃ নং ৭। হৌজিক মনিপুরী সিংনা মখোইগী মীশিং লেপকম থংনবা অমসুং মসিদা খোইয়াংলিবা অসিগী দমক মথং সেনসস্তদি তেঙাম্বা মীশিং থিনবা আগুমেণ্ট পুখোকনবগী দমক গবর্ণমেণ্ট ওক আসামদা হাইজবা লেপনরে।

রিঃ নং ৮। মথাগী মেম্বরসিং অসিগী ডিপুটেসন অমা গনপরিষদকী আসাম প্রতিনিধি শিংদা থাবা হায়না লেপনরে।

১। শ্রীযুং বিদ্যাপতিসিংহ বি, এ, এম, এল এ,
২ শ্রীযুং ধনেশ্বরসিং এম, এল, বী
৩। " কৃষ্ণপ্রসাদ সিংহ
৪। " গৌর সিংহ

রিঃ নং ৯। সংগঠন শিংগী মরিদা রিজোলিউসন অমসু অতৈ পুমনমক মাতৃভাষাদা লেপনরে।

রিঃ নং ১০। প্রস্তাব তৌরবা (Proposed) লক্ষীপুর অমসু কাছাড়গী জোয়ালারী নত্রগা সার্কল ওফিসকী কুয়ালিফাইট মনিপুরী জেণ্টলমেন অমা থনবিবগী দমক গবর্ণমেণ্ট ওক আসামদা হায়জবা লেপনরে।

রিঃ নং ১১। শ্রীযুং ধনেশ্বরসিংহ সেক্রেটারীবু কনফরেন্সগী অথরিটি

কমসার্ন লৈবা করস্পোণ্ডেন্স পুম্নমক লৌনবা সভানা অথরাইজ তৌরে।

সহি বি সিংহ বি. এ.

এম. এল. এ

প্রেসিডেণ্ট

তাং ৪।৯ ৪৬ ইং

× ———— ×

তুমু লম্লোনবনা কাম্নবা ॥

হে অবোধ তুমু লমোনবা মনিপুরীয়া! কনাগী মখেন পুক্না লম্লোনবা চৎপগে? নখোইনা মাংবা লেন অহ কয়াবা শিংবিরগে? লেন পুনিং ওাই লৈতচনা তুলী অমসুং অঙাংগী কী রোল সনা লিক কোরচিংবা বন্ধব থমদোক্তুনা চংলগা পোৎশু য়োন্দনা লমথাংদা পুমথাং মাংহনবদি কবো লৈ ক্লানরগী চৌনবিব?

কানিয়া,, মাড়বারীনা লম্লোনবদি পোং য়েংনদনা লেন মাংবসি রীওপ্র বয়া? পোং য়োকনা লেন মাংবসি মৈতৈ মচাদা থোকই। মাংশিকম থীয়গা লম্লোন্নু।

১। ডিমাপুরদা লুপা ২০ পিন্তনা লৈবা পোংনা তুমুগা লুপা ৭০ দা য়োন্নগা লুপা ৫০ চেংলগা ভারা থরচবচিবা পুমনমক পাকাদা পলেন মৌরলপদা লেংহুব্র লুপা ১০ য়াওনা পোইবদি করনবো?

২। মচ নখোইনা থংঙ্গ্রবসু ফুডাই তবা তৌগদ। নখোইগী দবক মা অমনা পুরপ পাইশিনবিচনা লাইদা কংলিরি চেককী য়ুম শাবিরি।

৩। হন্নকো মপোক অসিবা বার বসু হবেং মুজী মপোক্না লৈক্ষনা লৈরমগনি।

৪। নথা নথানা পুবা য়াবা য়াদবা মথক থংত্রবা? য়াদে হায়রিবা পোত্তু পুরগা পুরিবা পাত্রম চাকপরা মীচ মথা শিত্রা নত্রগা মুংগ্রা?

৫। করম২বা পোংনা য়াদবা?

৬। য়াদবা পোং শিংচু তুমু বাজা য়দা লৈবা উত্রা?

৭। পোংশিংচু মথা মথাগী শক্তিনা অতিয়াদ পায়চনা তুমু বাজারদা থুংখিত্রা মথং মথং

পাউজেল

ডাঃ লৈরেল

হন্নক মরক অসিদা কনা কনাগুম্বা সভা (অর্গেনাইজেশন) সভা সমিতিগী মিটিংগী রিজলেশনদা কনা কনাগুমবা অফিসার নত্রগা অফিসার নত্তবা মীবু মীশক্তা প্রতিবাদ ক্রিটি শিজম নচিংবা তৌবা উজৈ। মাসি চুখদে, হিংসানি হাইনা নিংজৈ। মাগী তৌরকপা থবক অহুগী অয়ানবা শকক অহ প্রতিবাদ তৌবদি পবলিক সিপরিট লৈবা মী থুদিংমক্তী অধিকার লৈ। তৌ কম থোকপা মকনি। মাহুদা তৌত্রগা মীশক মীয়াই রেংবা কৌমরে। মী অমবু এম, এ; বি, এ পাশ তৌত্রগা মতিক চাদে। ইউনিভার্সিটিগী ডিগ্রি লৈসতমা মতিক চাই হাই বঙ্শ ম হাইমচি। ইউনিভার্সিটিগী ডিগ্রি কন্দবা মতিক চাবা, শিংথিজনা থবক তৌরকপা, লৈবাক্তী জ্ঞান চংখোম্না তাবা মী কয়া ২ জগৎ অসিদা পোকখ্রি অমসুং পোকলি। মতুংদসু পোকনি হাইনা আশা তৌই। এম, এ, বি এ কয়া কয়ানা পরীক্ষাদি পাশ তৌরকলগা থবক্তাদ শেয়ারনা চৎখিবা কয়া কয়া উনরি। অহগা বাকম অমনা ঐখোইগী লৈবাক অসিদা সাইন্স তমলকপা বি, এস, সি নাচিংবা ডিগ্রী কবা মীশিং অসিবু লাইরিক লাইসু হৈবনি হাইবা কয়া লৌদবগুং উজৈ। বি, এ, এম, এ তনা অচৌ অচৌবা ষ্টেট অসিগী কম মথে কাখিবসিদা মখোই অসিতনা লাইরিক হৈবনি হাইনা সক্ষ সাধারনা নিংখিবা ওকবা তাই চাইনা নিংজৈ। হৌজিকী মতম অসিদা জগৎনা পামনরিবাসিদ সাইন্সগী মীবু থোইনা হেননা থবক থুদিংমক্তা পামনৈ আর্টসাদ কয়াবু থোইনা পামনরক্তে। মরম অসিনা অর্থারিটিনা য়াথল মুননা তৌরগা সাইন্স ডিগ্রি অসিবু আর্টস ডিগ্রিগা অমহানি হাইনা মণিপুরগী জনসাধরনা থংনবা অচৌ অচৌব দরবার মেম্বরশুং থবক্তা শিজননবিয়ু।। মতম খরা অসি বি, এ এম, এ গী মশুগ থংলে অমসুং উনয়ে। এম, এস, সি, বি, এস, সি অসি হনথবরা; হেজংপরা নত্রগা মাননবয়া হাইবচ থংনগনি। হৌজিক তৌরবদি সাইন্স তৌরিবশি কোমসম, তৌরংবমগুম থবক জাং অমতা মথংবা অতৈ পবক্তি কয়িমতা হৈতবা মওংদা লৈনরি। অহগা বাকম অমনা পৃথিবীগী চাওথংলবা মকম হাইবদি আমেরিকা, গ্রেট বৃটেন অসিনচিংবা জমদ্দ রায়লড টুরিষ্ট (পৃথিবী কোইরবা) হকসপ এনস লৈবা, লৈবাক্তী থবক নিংথিজনা থংবা অর্গেনাইজিং শক্তি লৈবানচবা মীতাদবু পামনৈ। মখোই অহ গুমব তনা ইলেকশনদা ষ্টেও তৌরবদা প্রজাগা ভোট কংনৈ। মরম অসিনা দেশ অসিগী প্রজাশু ইউনিভার্সিটিগী ডিগ্রি লৈতে হাইনা ইকাই হজোকচুনা লৈবাক্তী কাননবা তৌবা থবক্তা হজোক্তুনা লৈবিগনু। প্রজানা লৈবাকী কী মপুনি, মপুনা চেকশিনত্রবদি মরল মথুম মাংবা মশিননি।

————

ভাগ্যবতী পত্রিকাগী সম্পাদকনা সেপ্তেম্বর তাং ১২ গী চেদ কলেজগী মরমদ য়ামনা থবাই য়াওশিনবিরকপা থেংনজবদা ঐখোই য়ামনা থাগৎাইজরে। কলেজগী মহৈ য়াননবগী দমক প্রজাশিংগী য়ামনা লাংতকনশিনবা উবদগী ঐখোইসু গুমবা মথে তোৎনজনিংহ। কলেজ অসিনদি ষ্টেট সরকারগী গ্রাণ্টতা কংগদবা ওইবনা প্রজা পুমনমকনা গুমবা মথে মতেং পাওশিনবিরকপদা থোইনা অকাইবা লৈরগনিসু নিংজদে, মহৈ য়ায়বগী মতেং হেজংলকদবনি। য়াকম অমনা. হৌজিক কাওয়া কলেজগী গভর্নিং বোডি মহুংদা অমগা অমগা মেৎ তিননদবা থোইনা লৈত্রি; অহগা চৎখ্রিবা ইংলিশ তমবিয়গদৌবা ওঝাচ চাননা চৎখিবশু নত্তে অমসুং তলবকী -রীদা করিগুমবা নিংঙাই তৌনবসু লৈনখিদে. মহাক্তী হাননা থবক তৌকমদগী রিলক কংত্রিবা ওইতনা চুমা চৎচাখিরনি, অমুক গুননা হন্নকশিগনি। তৌকতাদনা হৌরক ৮ ওইবদগী কংবা য়ানা মরম ওনা পাউগী চেদ হাপপবসিদ ছাত্রশিংগী মপুকনিং মৈথহনখিগনি নিংজে, অহনা য়াইকনবা নিংবিরিবা পাজা পুমনমকনা চিংনবা পোক্কবা মতম মতমদা সেক্রেটরীনা নকননা লৈমিনবা ওইবনা হগুঁবরকন নিংজরি।

Priya Bratasingh

Socy: D. M. Co'lage

————

শ্রীযুক্ত ইডিটার, ভগাবতী পত্রিকা, ইম্ফাল।

মহাশয়গ সেপ্তেম্বর তাং ১৪।৯। ৪৬ ইংগী দৈনিক ভাগ্যবতীদা তমেল্লোংদা লৈবা শ্রীযুক্ত টি. কিপগেননা ইরকপা “পাওথুম” কৌবা শীষক অহুগী অতৈ অতৈগী মরক্তা অসুয়া ইরি:—“তাং ১।৯।৪৬ ইংগী মহাসভা মিটিং অহ পুকচেল চাওরবা মীশিনা অর্গেন ইজ তৌবনি চেদা ফজনা কোংবিরকপা অহুদি পাজরে অহব মিটিংদা য়াওরিবা থোংজাই, মুসলমানশিং অহুদি শুমাংদা নোং মরক্তা কমহন্দুনা ইকাইহনবগদমক কৌরিবতনি মাসি অনিগুবা ইনষ্টাল'ন” মাসিগী পাওথুম ওইনা হুমিং অসিদা মহাসভাগী করিগুবা মিটিং অমত্তা তৌখিবা লৈতে অমসুং হায়রিবা মিটি অসি মহাসভাগী মিটিং নত্তে। চন্দকা নৌনা হৌরকপা মনিপুর প্রজা সভ্য কৌবা সভা অমা হুমিং অসিদা তাং ১।৯।৪৬ ইংদা শ্রীযুক্ত দামোদর পালগী মাওঙতা কমাথ, মাহুদা হিন্দু মুসলমান য়াথনা তিনথি হায়; মহাসভানি হায়রিবা সভা অহ হুমিং অহুগী মিটিং অহ ওইরমগনি হায়না ঐখোইনা থাজৈ।

মতাং অসদা. মহাসভা তিনবা থুদিংদা হিন্দু মুসলমান চৌওগী প্রজা অমসুং য়াইথিবী (হরিজন) শিংগী দমক কমকম শিল লাংচুনা হুন্থইনবা চোৎ নজৈ অমসুং সভা কমবদা পুমনমক তিনবৈ। মরম অহনা হায়রিব হচিন ইনাওশং অসিদগী গুসি কাওবা হুওাইংনগী আপত্তি অমতা ঐখোইদা য়োরক্তে। হজিকমকসু, ঐখোইগী য়ামনা তেংম-। কমবা য়াকিং কমিটিদা কুকি ভদ্রলোক অমা য়াওরি।

মরম অসিনা মহাসভাগা অতৈ বোডিগা য়েংশিননবিয়োলদবনি তংগেং তংগেংনা থগুবিগদবনি মহাসভা হায়রবাদ নিঃ মঃ মহাসভাবু থংনগনি।

বিনীত

শ্রীযোগেশ্বরসিংহ

জেঃ সেক্রেটারী নিঃ মঃ মহাসভা

ইম্ফাল।

শ্রী ১০৮ শ্রী

কৃষ্ণচৈতন্যমহাপ্রভুকী

জয়হোঃ।

শ্রীযুক্ত এনখোম তগাশিং সাং বিষ্ণুপুর ডগুরনা তাং ৩।৯।৪৬ ইংগী থবরদা য়ামনা চনা তিনমরিবা, শ্রীযুক্ত ডাক্তর লৈরেন শিংহবু প্রশংসা তৌরকপা অহ॥ মরমদা প্রাক্তবাদ থরদ তৌর শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য মহাপ্রভুবু পুজা তৌনম লোকপাওম মৈতৈ লৈবাক্তদি শ্রীযুক্ত লৈরেনবু পুজা তৌকম থোকই হাইনা ওথোক্তা য়ানা থাংগংপি তাককপদা কাহদনসু য়াম না চেকসয়া তোৎনবিান নজৈ।

শ্রীগৌরাঙ্গ মহুগা লৈরেন ডাক্তরগা চপমননা প্রনান তৌবিরকালবা অসি নদি মহাশয়া তংপানগী মতৌসপতা শ্রীযুক্ত লৈরেন ডাক্তর বাবুবু ঈশ্বরনী হাইনা মহাশয়না পুজা তৌবিদা প্রজা ঐথানা কারি আপত্তি অমত্তা তেয়োই। মহআসদি মপুকচেল কজবনা মহান, হাও ১সুং পাওলনা চিংবা পুমনমক মরম পুমনমক্তা ভেদ লৈতনা তিনবা গুথা পকচেলচাওবা জিব মচা অমানি।

অমসুং লৈরেন ডাক্তরবু গৌরাঙ্গনী হাইনা পুজা তৌবাস ঐতদি মপোক তরেংতা পুজা তৌজবা গুমলোই হাইনা মুংদা লাইরিক ইহনা থমজয় মগনি। অমসুং মহাশয়াদ ধর্ম্ম শাস্ত্র য়ামনা থেব অমসুং গৌরয়া ধর্ম্ম য়ামনা কাইদবা চৎপা মাংলি ঐনা হাইরিবা অসি শাস্ত্রবিগসু মহৎঅপরাধ তৌই দবনি ডাক্তরদি লাইরিক হৈত বনিনা থংত্রবনি শাস্ত্রগী গুরুগী ঈশ্বরগী মরমদা মাসুন হাইগনি হাজরোই নাপোক কয়ামুক্তাসু থংলরোই মহাশয়গী মত্রগী থবরসীবা অসি তবদা হুংচাকচুনা ভাগৎবতনি। ইতি। তাং ১৩।৯।৪৬ ইং

শ্রীগৌরমনি শর্ম্ম

কুওয়াকেথেল

মহৎ অনন্ত ঈশ্বরগী মরমদা — হাইদৈদবা তৌকদবা বা হাইরকসু মতুংদা ঐথেৎ অচগুবা মীগী প্রবন্ধ লৌজরোং মক্লুখদি — অরোবা এখোইগী দোষ ওইরে।

জেল ব্রাদার।

১৪ সেপ্তেম্বর থাংজা হুমিদা ফুপাল পুং ২॥০ তাবা মতমদা এম এন দি সিনেমা হোল মনিংদা ছাত্র মচা অনি ফুনগদবগী লোয়াং তৌরাখ মহুদা শ্রীমান ছাত্রাজিৎসিংহ থোমত্রাম ছাত্রনা উহচনা থামই। হুমিং অসিদা পোপোগ্রাউণ্ড সেংবা কইদিগী পানবা বাদর অমনা অথবা ছাত্রবু অথিবা বহৈনা হৈ অমসুং মপক্তা পাইবা নোঙমৈ তোঙনঙনা ফিং... তৌই অসিগুবা মী মকম মরাং গুরব অসিগী খিজনবিহনা ..ুং মনাও তৌদনবা শেধীয়ু হাইনা জেলগী কক্ত পক্কগী বাথল চিংশিজরি ইতি —

সম্পাদক



ছাত্র পূমনমক তা: ১৮ য়ুমশকৈশ মুমিৎকী

প্রোসেসন য়াউবিগদবনি।

ছাত্র ছাত্রী পূমনমক

ঐথোয় লিবাকপু চাওখৎ নগে হায়রবদি লৈবাক অসি দা লৈরিবা মী পুমনমক অমত্তা ওইনা পুম্নগা তৌগদগা থবক তৌরদত্তা ওইবা ক-গদারিবনি অদুনা মনিপুরগী চৌদা লৈবা মাশিংগা মদা করিবা মৈতৈ মুসলমান পূমনমক অমত্তা ওইনা পুনশিননগা অমম্বুং মমা অমত্তগী মচা ওইনা লোইননা চেংএবা অসি মনিপুরদা লৈরিবা মী খুদিংমক্কী ইহান চানব তৌবা ছাত্রবা মথৌনি থৌশিং অসি পাংথোকনবা হোৎনবদা তেং হংদবগী চী তমদা লৈরিবা ঐথোয়গী তুংশিরবা ইপা ইপল, হৌচিল ইনাও পুমনমক ভাগ দনা কৈরি | অসিগুমবা ফিবম য়ৌরবা মতম অসিদা মনিপুরগী তুংগী আশা ওইরিবা ঐথোইনা তুমিন্না লৈথোক্লবদি অচৌব লমনগী মীংবা কাওহনবত' নত্তনা মনিপুরগী চাউখৎ পগী লম্বেলস্তু থিংদা ছাত্র ছাত্রী মরুপ পুমনমক ঐথে ইন তৌগদবা তথৌ কাওদক্লাশ পাদুকপা হবক্তগী হনগল্লাশ, অমৌবা শক্তিগা লোইননা থবক চেংশিনসি | থবক তৌগা খুদিংমক্তা ছাত্রনি হাইবা অসি কাউবিরোইদবনি। ছাত্রনা তৌগদবা থৌদা' মত্তা তৌগদবনি ছাত্র পুমনমকনা মনিপুর ছাত্র সম্মিলণী অসি রজনিতি দল নত্তে হাইবা অসি মতম পুমনমক্কা থবক তৌবা খুদিমক্কা লিংশিংবিগন।

মনিপুর ছাত্র সম্মিলণীনা মণিপুর ছাত্র পুমনমক্কী অহাং পা কোকনবা হোৎনবা অনুষ্ঠাননি। মতুংনা তারিখ ১৮গী প্রোসেসন অসি পোলিটিকেল স্লোগান লউনবগীদমক চৎপ্পা নত্তে, ছাত্রশিংগী তৌগদবা থৌ পাংথোকনবগী কর্মী তাকনন বগী চৎপনি ছাত্র ছাত্রী পুমনমকনা নিশিংগদবা প্রোসেসন চৎননবগীমক্তা প্লাশতগী লৈথোক পব' তৌরোইদবনি | অদুনা তাং ১৮ য়ুমশকৈশ চানিং অসি প্লাশলোইরগা পু ৪ চাবগী প্রোসেসন চৎপা হৌগনি প্রোসেসন অসিদা ছাত্র ছাত্রী পুমনমক অমত্তা চিঙ্খদনা য়াওবিয়ু | ছাত্রগী থৌদাং উ পনা মতিক চাবা থৌনা উৎপদু | ঐথোইগী থৌদাং উৎপদ হেং গদবগী হাইদুনা লৈরিগা পুমনমক লেফহন্নবগী ঐথোই পুমনমক থেজো অমত্ত ওইনা কাউসি।

সিতম ভিক্টরদনি।
নৈতৈ পঙল তিননগদবনি |
কুলগী কিস—হন্দগদবনি |
মনিপুর ছাত্র সম্মিলণী- জিন্দাবাদ।
নিশিংজরিবা
শ্রীপীঃ তোম্বী সিংহ |

জেঃ সেঃ মঃ ছা সম্মিলনী

বন্দে মাতরম

Copied by শ্রীমইপাকপ্পা রাঃ কুঃ

চাবগী মথং

জয় হিন্দ
ইনক লাব জিন্দাবাদ
রাজাদ হিন্দ জিন্দাবাদ

শুভ সুখ চৈন কী বর্ষা বরসে

আজাদ হিন্দ ফৌজগী লাম্মি মরাম্না শকখিবা স্বাধীন ভারতকী ইশৈ অমগা লেপবিয়ু। মসিনা রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী বেঙ্গলী I ইরম্বা —"জনগন মন অধিনায়কা জয়হে" হাইবা অদুগী উর্দ্দুনা চংদোকপা মরোলন |

শুভ সুখ চৈনকী বর্ষা বরসে,
ভারত ভাগ হৈ জাগা।
পঞ্জাব, সিন্ধু গুজরাট, মরাঠা,
দ্রাবিদ উৎকল বঙ্গা॥
চেরে 'নত গুণ পারে |
তুঝ সে জীবন পারে
সব তন পারে আশা
সুরজ বনকর জগপেং চমকে ভারত নাম সুভাগা
জয় হো / জয় হো / জয় হো |
জয় জয় জয় জয় জয়হো।
সবকে দিলমেং প্রীত বসারে
তেরী মীঠি বানি
হর সুবে কে রহনে বালে
হর মজহবকে প্রাণী॥
সব ভেদ মেং তেরী আকে
সুরজ বনকে জগমেং চমকে……:
সুবহ সবেরে পংখ পক্ষেরু
তেরে হী গুন গায়েং
বাসভরী ভর পুর হবা এং
জীবন মেং রুট লায়েং
সব মিলকর হিন্দ পুকারে
জয় আজাদ হিন্দ কে নারে
প্যারা দেশ হামারা
সুরজ বনকে জগমেং চমকে ভারত নাম সুভাগা
জয় হো জয়হো জয়হো
জয়, জয় জয় জয় জয়হো ভারত নাম সুভাগ

জয় হিন্দ

মথং মথং

লেখকশিংদা খংহঙ্গবা।

১। মিং যাওদনা পীরকপা অপুমবা ফোংবা তম জরোই।

২। মৈতৈরোনদা ইংরাজী মহেকনা ইংরাজী শব্দ হাপচিনদুনা ইবা লৌজরোই।

৩ পুকনিংন পামদবাদি ভাকপরেট হে অত হুজ রকট তমইরবদি মতিক চাবা পেই টিকেট অমত্তু অ চুমবা ঠিকনা পিরকপিগ |

৪ প্রতিবদত্ত অপাউবত্তা মটপা মতিক চাবা উত্তর লবে হাজীরবদি ফোংজনা তমজরোই

৫ চিগী প্রজাশিংগীদমক্কি ভাগ্যবতীনা হমবমথৈ সুবিধা পিজগনি। যাথোইনা 'পবা পাউ অমত্তু মথোই না চাইনিংবা পুমনমক মমলশাওদনা হাপচগনি। অমত্তু নিংথৌকাবা খুদিংদা চিংগী সবডিভিজন খুদিংগী লেমনা মমল মাউদনা ৫: ৫।৫ থজগনি চেশিং অদু চিংগী সাধারণ প্রজাগী দমক্কনি।

ভাগ্যবতী পত্রিকা

Bhagyavati Patrika

১বা(চহি)ভাগ্যবতী পত্রিক,লৈপাকপোকপা২১নি পানবা লাংবন মণিপুর ১১৫৮ 17SEPTEMBER 1946. (মশিং১২৮

অশাম্ব মরোল ময়াম।

১। দিশর :— হিসাব সোইধা হাংবসংগ হেনব নত্রপা রাংপা রাই অহবু হেনা লৌচৌইতা চাঃ, রাংনা লৌচৌই থক চাংদে হেনবগী সোইবতা হৈবা রাংপগী সোইবদি হৈভবা ওইনা উক।

২। হোটেল :— চাগী মমল খরা হোংবনবিরো. চোং অতৈম্ব খরা হোংলে। চাংকপা বাবুশিংনা ইকভনি চায়-হুনা মমল ভাংনদ্রা।

৩। শ্রীঅচোম নিমাইসিংহনা মশা প্রজাতন্ত্রগী মী অমা ওইরম্বা অহু থোকলে, মহাসভাগী মী ওইনা মচৌশংগীন লৈবৈ চায়না লৈপক্তা থংহজরি।

৪ খওজবা :— ২০ জুলাইদা কমখিবা উরিপোক ছাত্র সভানা হকচাং ১মুং জ্ঞান চাংথংনবা, রাংদিবা ১মুং রাং-লগদোবা নচাংরোনগী লমচৎ হেনশিরবা, ১মুং তৌকম থোক পা থিহুনা পাওখোকনবা চোংনবা "চাউথং-মরূপ শঙ্ক" চাযব অমা ১২ সেপঃদা লিংখংলে।

৫। নোটিশ : নিঃ ১:১ স সভাগা তাম্রুনা, সভানা চংগ নবা পোংচং মরু ওইনা লাহুনা ১মু ক্লশ আইটগী হৌ-না ভলন্টিয়র য়াম্না লৈহুনা ২:ছাত্র সম্মিলনীগী শিক্ষা বিস্তারগী থবক হৌরংনি। অফিস শ্রীথোকচোম বীরসিংহগী লাগা কৈশামপাৎ, ২তম কুংথিল পুং ৬ তগী ৭ কাওবা। স্কুল সেঃ ১ম্ব শ্রাঃ সেঃনা ভলন্টিয়ার খোমগনি। অকুংপা মরোল দৌদি অফিসতা।

৬। তরাবা :— লৈবাকী হংভথংনমংগী মরু ওইবা ছাত্রশিং গী বিদ্যা শিক্ষাগী চরমদা কেংরাসিন্না য়েকনবা তিংথং ওইরতনা অহিং চাইরিক ঔরাইবা কংলবগী তরাবসি কোক পিনবা কর্তৃপক্ষগী মিংথং চিংশিনজরি।

লেখকশিংদা থংহজবা।

১। মিং তাওদনা পীরকপা অপুমবা কোংবা ওম জবোই।

২। মৈতৈরোনদা ইংরাজী মহেকনা ইংরাজী শব্দ হাপচিনহুনা ইবা লৌজরোই।

৩ পুকনিংন পামদবা দি. হাপচরোই হেং অহু হল্ল বকউ হাইরবদি মতিক চাপা লেংই টিকেট অমসু অ চুমবা ঠিকানা পিরকপিবা।

৪। প্রতিবাদতা অশাউবতা মউংপা মতিক চংবা উত্তর নত্তে চাইংর্দ কোংজনা ওমজরোই

৫ চিংগী প্রজাশিংগীদমক্তা ভাগ্যবতীনা হমবমথৈ সুবিধা পিজগনি। মাখোইনা পিবা পাউ অমসু মাখোই না হাইনিংবা পুথক মমলগাওদনা হপচগনি। অমসু নিথোকাবা খুদংচা চিংগী সংঙ্গিজন খুদিংগী লেমনা মমল হাউনা হেং ৫।৫ থজগনি হেশিং অহু চিংগী সধারণ প্রজাগী দমক্তনি।

অওাং মাংবা।

১২ সেপ : শগোলশেলদা আখাম জানকী কোৌবা চহি :৩ য়াম হবা অমা চাইরিক হম্বা চংথিবগী যাংখে। কনাগুম্বা খেনবিরবদি মখাগী ঠিকানা অসিদা তাকপিরনবা প্রার্থনা তৌজরি।

ঠিকানা অথাম নিংথেমজাওসিং।
কাকৈথেন, অথাম লৈকাই।

বিজ্ঞাপন।

আদর্শ জন্ম পত্রিকা ছাপানম্বা।

ডবল ক্রাউন্না মরি খোকপদা কুঠী ইনবা ফরম—অচুম্বা মরোল্দা চাপা নমদুনা য়োল্লি, পাক্সিসিংনা অতোংবা মমল-দা পুম্না লেংবিরবা য়াগনি।

১। অফবা বিলাটীগী অচৌবা চেদা নম্বা চে অ-অমদা ।৵ পুম্না লৈরগা চে চামদা ২৫৲

২। চে নাপু মানবা অথাবা পারশন পেপারদা নম্বা পুম্না লৌরগা চমদা.......... .. ২০৲

য়াম্না ফবা হোয়াইট ডবল ক্রাউণ্ড ৪০ পাউণ্ডদা নম্বা চে অমদা .. . ., ।০

পুম্না লৌরগা চামদা ২০৲

যযম চুড়াচান্দ প্রিন্টিং ৱর্কস ইম্ফাল।

বিজ্ঞাপন

ওসি লৈপাকপোকপা পিতৃ কর্ম্ম তৌবদা "কৃষ্ণেপক্ষে সপ্ত ম্যাং তিথৌ „হাঈগনি। পুঃ ৬ গী তুদা সপ্তমী চওলে। সুংথিল পুং ২ দগীনা ৩।৩৬ মিঃ গী মনুংদা পিতৃকর্ম্ম তৌবগী মুখ্য কালনি। অথোইবা মতমনি। ১২ তাদি বৈওদদি দেব কর্ম্ম তৌগদবনি।

চুড়াচান্দ প্রেসগী গোশালা।



খুমুকচম শ্রীইবোহলনা থা খুদিংগী গোশালাগী শেল কংপা থা অসিগী লুপা ১৫ ফংলে, কারবার তৌরিবাসি না মমাওঙ্গুমনা কংপিরকনবা থংহৈ।

সম্পাদক শ্রীমধুসিং, অমসুং—শ্রীইবোমচাসিংহ মুদ্রনালয়—চুড়াচান্দ প্রিন্টিং ৱাকস, ইম্ফাল মণিপুর ষ্টেট স্বাধিকারী অমসুং পরিচালক প্রেস প্রোপ্রাইটার।

ওঁ

মহা কুতনমৎ ব্রহ্ম পরং ব্রহ্ম মহাকৃতি।
শ্রীকৃষ্ণাখ্য পরং ধাম জগদ্ধাম নমামি তৎ।

—:জয় হিন্দ:—

দৈনিক

সম্পাদকীয়

১৭ সেপ্তেম্বর ১৯৪৬ লৈপাকপোকপা

—(:০:)—

মৈতৈ ময়েক।

মনিপুরী ঐথোইগী ইথুরাইগী মাহৌদবা কৃষ্টি অসিনা ময়ম ওইহনা ভারতকী জাতি মথন মরামগী মহুংদা ঐথোইবু তোঙানবা জাতি অমা ওইনা লৈ। ঐথোইগী কৃষ্টিবা শোক্লগা জাতিদা হনথগদবনি হেনগৎলগা জাতি কৃষ্টিকদবনি, জাতিবু রক্ষা তৌবা হায়বদি কৃষ্টিবু রক্ষা তৌবতনি জাতি তত্ব থংবা শিংগী সর্ব্ব সম্মতনি।

মতম অসিদা কনজার্ভেটিব ওইবা কাংবু অমনা ঐথোইগী মৈতৈ ময়েকপু নৌনা চংনবা পামই। নবীন সম্প্রদায়নদি পামদবসু মাওই। অনেক অসিগী দলা দলী অমা খেন্দনবা ওইনা উরে। মসিগী মরমদা ঐথোইনা হায়জনিংই।

মৈতৈ ময়েক সিদি হৌজিক লৈ মিননি মতুংদগী মুংলোই অহৃগা মহা কনা নব্য যুগ অসিদা অনৌবা কিজোগা লৈতেংহনা নব্যবিদ্যাগী বাহন ওইনবা থোকপদি উবাক্তা হন্দুনা ছাপা নমনা ওইরোই মাগা মপাংগা শেংদোকদবা শেমগৎকদবা মামনা মাং লি। অক্ষর, বিজ্ঞান হৈবা দল অমনা চহি ২০|৩০ চংনা হোৎনরগা মাগ মবনি।

অতঙবা মতম অদু হৌজিক থাং লি। মাহু কোননা তৌগদবনি। মতম অসিদা হৌজিক ২ তৌদবা মাদব লেন্দন মামনা শেমগদবা মাংদা লৈরে ইথুরাইনা উনরবনি অথুবা অসিগীদমক হায়না হোৎনবিবা পামই। ঐথোইগী জাতির কৃষ্টিদা চহি ২০০ চুপনা চুম্রবা সংস্কার অসি মৈতৈ ময়েকপা চুমনবা হোৎনববুদি হায়গী অসিদা চা ওথৎহনবগী মতু, ইমা অরিবা মৈতৈ ময়েক অসি নুঙনবা তৌবনা চুবই।

হন্দকী লানদা থোকখ্রিবা ঐথোইগী মুৎকদৌরবা কৃষ্টি অসি শেমজিন খিশি। নত্রবদি জাতি তত্ব হৈবশিংনা চহি ২০০গী মতুংদা মৈতৈ জাতি মুৎকদবগুম উরে। মহুৎ মথক্তা হন্দকী ভারতকী মাওন অসিদা অমুক্তা শোকদবদি চহি ২০|৩০ দা জাতি অসি মুৎলরনি।

× ——— ×

ভারতবর্ষগী পাউ।

তাং ১০|৯|৪৬ ইংগী

ইরাই ছুবিৎকী মথাক থুক্কী থোদোক্তগী বোম্বাইদা হাৎনখিরবদা গুসি মী ২ শোকদে।

২ অমুক পুং ৮ তাংবদগী হুংখিদ পুং ৮ তাবা ফাওগী মহুংদা পা জলগী নমজ থুরবগী থবক্তগী হৌনরক্তুনা কলিকাতাদা মী ৭ শোক্লে।

৩। পাং থংবা আফ্রিকাদা লৈবা ভারত মচাশিংগী দবী অঙ কনবা হোৎনবদা অহিংসাগী পথাপ শিজিনহন্দ হেনগৎ হায়না পণ্ডিত জবাহর লাল নেহরুনা তাকপিখি।

৪। ভারত মচাশিংগী অমাংবা ময়মশিংগী দাবী ভৌনব নোংপোক থংবা আফ্রিকাদা লৈবা ভারতমচাশিংনা পুনশিন্দুনা নোংপোক থংবা আফ্রিকাদা লৈবা ভারত মচাশিংগী সভা হায়না মমিং থোনবা সভা অমা শেমগৎপ্রে। মহুৎ সভাপতিদি মিষ্টর আমিননি। মিষ্টর আমিনা পণ্ডিত জবাহর লালনা লুচিংবা ওইনা শেম্বা ভারতকী ইন্টিরিম গোভর্ণমেন্ট কেবিনেটকী মন্ত্রীশিংবু থাগৎলকই।

৫। রাজা মহেন্দ্র প্রতাপ শং দিল্লিদা থুংরে অমসুং মহাকপু মতম অহৃগী কংগ্রেস কংবুনা মাপনা ইকাই থুমবগা লোইননা ওকখি।

৬। কাশ্মীর প্রজাশিংগী লুচিবা সেখ মহাম্মদ আবেদুল্লাবু চহি অহুম কাশ্মীর ষ্টেট গোভর্ণমেন্টনা কালোক্পিবদা মানিংদবা অমসুং অয়ানবনি হায়না কোংলোকপগী মথক ওইনা কাশ্মীর প্রজাশিংনা হোৎনজুনা আবেদুল্লাগী কেশ অদু থুনা হায় কোর্ট্টা আপিল তৌ হায়না পণ্ডিত জবাহর লাল নেহরুনা তাকপিখি।

৭ কুন চৈনবদা শিজিনবদা শোকনবা মাবা করিঙবা থুংলাই অমত্তা পুম্লনা কনাঙবা অমত্তনা লবিদা চংপা মারোই হায়না সুরাটকী জেলা মাজিষ্ট্রেটনা কোংলোকখি।

৮। পাজন লীগকী থবক তৌনবা কোমিটি <u>মিন্নৌদা পুং</u> ২॥ কৰখি।

ভারতবর্ষগী পাউ ১৪ ৯। ৪৬ ইং

১। কেবিনেট মিসনগী প্রস্তাবশিংঅহৃদা মাওবা ষ্টেটশিংগা কনষ্টিটুয়েন্ট এসেম্বলিগা তাইননবা কমিটি অমা লৈপনি হায়বা অদা মাঙনবা নরেন্দ্র মণ্ডলগী চান সেলার বিকানির মহারাজ পাটিয়ালাগী মহারাজা, হাইদ্রাবাদকী প্রধান মন্ত্রী, ত্রিবান্দ্রমগী দেব ননচিংবা মী ৯ গী মমিং কোংলোকপ্রে।

২। বোম্বাইদা হাৎনখিরবদা মী ১০ শোকদে হায়না পাও কাংদে। আফিসগী পাও নত্তবদগীদি মী ৭ শোকদে অমসু মতমগী মহুংদগীদি মী ৩ কারে। কলিকাতাগী হাৎনখিনবগী অথবা অমাংবগী হোৎলুনা গুসি কাওবা ইং লি। আহোঙবাবাদতা হাৎনখিনলুনা মী ৫ শোকপদগী মী ৩ শিরে।

৪ ত্রিবান্দ্রমগী দেবান রামাস্বামিবা মিদিদ হমকপদা ষ্টেট মিগোসিয়েটিং কোমিটীগী নৌনা থনবা মেথর ত্রিবান্দ্রমগী দেবান সিঃ পিঃ রামাস্বামি না মিদিদগী হনলকপনা ভোপালদা পাহুনা নরেন্দ্র মণ্ডলগী চান্সেলার ওইরিবা ভোপালগী নবাবকা উরখি।

৫। ভোপাল ষ্টেটতা কত্তবা লীচৎ মুথৎনবা রিপ টমেন্ট হাচবদি এন্টি করপ্সন দিপার্টমেন্ট হাইবা অমা শেমগৎপ্রে। ষ্টেট অহুম মীশিংগী মরক্তা অহৃগা ষ্টেট সরকারগী চাকর শিংগী মরক্তা অমোংপা শেঙ্গা থুমজা নচিংবগী থবক মুথৎননা লাকনবনা দিপার্টমেন্ট অসি লিংখৎপগী উদ্দেশ্যনি।

৬। আমেরিকাগী প্রেসিডেন্ট মিষ্টার ট্রুমেননা আমেরিকা যুক্ত প্রদেশকী মতম কুইনা শাগৎলকদবা মীরৈপাক্তা লৈনবগী পোলিসিদা কক্তি অমত্তা ওনবা লৈত্তে হাইখ।

৭। বাঙ্গালা প্রদেশকী গোভর্ণমেন্টনা মতিক চাবা ওটজবা পিয়বদি বাঙ্গালা অমসুং আসামগী রেলওয়েদা শিজিননবা হজিন শানবা কারখানা লিংখৎকান হাইবা অহু কলিকাতাদগী মাইল ৮৮ লাপপদা লিংবা মাবা অকবা মকম অমা লৈ হাইনা বেঙ্গল অমসুং অসাম রেলওয়েগী জেনেরেল মেনেজারনা কোংলোকখি।

৮। চহি ৬কী মমাংদা জার্মানিনা বিলাতত, নোং চুবঙখনা বোম্বা থাদখিবা অহু নিংশিংনবগী মথক ওইনা রোয়েল এয়ার ফোর্সগী কাংবুশিংথু মাওনা সাহেবশিংনা কলিকাতাদা সেমেমোনিয়েল পেরেদ অমা তৌখি।

৯। পণ্ডিত জবাহরলাল নেহরুনা ইন্টরিম গোভর্ণমেন্ট কেবিনেটকী লুচংবা ওইব সংদমক নোংমা নোংমগী অভিনন্দন টেলিগ্রাম লিশিং লিশিং মীরৈপাক্তগী খাবকতুনা থুনবা গুসি কাওবা লেপদ্রে।

তাং ১৫|৯|৪৬ ইং।

১। ভারতবর্ষ অপুবগী পাজন লীগকী সভাপতি মিষ্টার জিন্নানা বড় লাটকা উননবগীদমক দিলিদা থুংরে। মহাকনা দিলি এরোড্রোমদা থুংলবা মতমদা পাজন লীগকী ডাইরেক্ট এক্সন কোমিটিগী মেম্বর অমাবনা মহাকপু ওকখি। লীগকী জেনেরেল সেক্রেটারী মিঃ লিয়াকেৎ আলি খাননসু মিঃ জিন্নাগা উননখি হয়েং ছুংখিদ পুং ৫॥ তাবা মতমদা বড়লাটকা জিন্নাগা উননগনি।

২। ইন্টরিম গোভর্ণমেন্ট কেবিনেটকী মন্ত্রিশিং তদি কোলোনদা লাকতুনা মহাত্মা গান্ধীগা উননখি। মুসোলীমগী মৌলানা আবুল কালাম আজাদসু লাকতুনা উননবা অহৃদা মাওখি। জিন্নাগা বড়লাটকা উননব দগী শোক্লকবা অহৃগী মরমদা থমন খিবনা হাইনা থাজরে।

৩ গুসি অমুক্তা পুং ৪॥ তাবা কাওবদা হাৎনখিননবগী থোকাইদা মী ৮ শোক্লে। টেক্সি থৌবা মীবু মোংথৈনা কাপতুনা ওন্নাং হাংখিবা অমুগী মরমবা মকম অমুগী মী অমা শিরে।

৪। ইন্টরিম গোভর্ণমেন্ট কেবিনেট শিক্ষা বিভাগকী মন্ত্রি ডাক্তর সাফাৎ আহম্মদ খানবু ছুরীনা খিনবা ওইংত্রা হাইনা কাবা মীশিং অমুগী বিচার সিমলাগী জিলা মাজিষ্ট্রেটকী আদালততা হৌখি। মামুগী বিচার অদু লাহোর হাই কোর্টতা চংকর থোকই হাইনা দাবী তৌবনা বিচার অদু লাইদনা থৈথোকতুন লৈরি।

৫ আহামদাবাদতা মী ৫ শুনা তিনবা মদবগী আরম শাক্তিবু হু মিং ১৫নি অমসু অমুক থৈথগ্রে।

৬। মাদ্রাজ প্রদেশকী প্রধান মন্ত্রী মিষ্টার টিঃ প্রকাশমনা মালাবারদা মকম অহৃগী চাবা মাংপগী মরোং থোংনবা চৎখ্রে; মকম অদু থেংবা লোইরগা ইন্টারিম গোভর্ণমেন্ট কেবিনেটকী চাবগী থবক পুবা মন্ত্রী ডাঃ রাজেন্দ্র প্রসাসকা উননবা দিলিদা চৎকনি হাইনা কোংলোকখি।

ভাগ্যচন্দ্র জয়সিংহ মহারাজ

চহি ১৫০ শুবা মৃত্যুবার্ষিকী মহোৎসব।

আশ্বিন শুক্ল তৃতীয়া থাংজ ছুমিত্তা
২৮ সেপ্তেম্বর ৪৬ ইংদা

ভাগ্যচন্দ্র জয়সিংহ মহারাজগী তিরোভাব তিথিনি ছুমিং অসিদা মরুবায় মেম্বর ওইরমবা শ্রীযুৎ যুমজাওসিংহনা স্বর্গীয় মহারাজ মধুচন্দ্রগী প্রতিষ্ঠিত রাধা মদন মোহনজীউগী অগ্রদা স্মৃতি উৎসব কৎকনি, ব্রাহ্মণ ১০৮ না শ্রীভাগবত পাঠ তৌগনি, রাসেশ্বরী পালা শক্লনি।

পরম ভাগবত রাজর্ষিগী স্মৃতি উৎসব ছুমিং অসিদা মহোদয় ওইবা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পুমনমকনা মণিপুরী গৌড়ীয় সম্প্রদায়না বিশিষ্টদিনদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎননবা বিজ্ঞপ্তি অসি তৌই।

সম্পাদক।

পুকনিংদা মুংঙাইজবা কোংলোকচবা

তাং ১৩|৯|৪৬ ইংগী ভাগ্যবতী পত্রিকাদা পুকচেল চাউরবা শ্রীযুৎ আশুতোষপু বিদ্যারত্ননা চিংগী প্রজাশিং গীদমক্তা সুবিধা পিবিনুনা ঐথোইনা পত্রিকাদা কোংলোকপনিংবা পাউ কোংলোকচবদা মমল মওঙনা হাপপিনি হায়না খংলবিবদা কাঙ্গুই প্রজা ঐথোইনা পুকচেল চাউরনা অত্রলোকসিবু মামনা থাগচ্চরি।

কাঙ্গুই প্রজা সেবক
পালথৈ মেজা কাঙ্গুই

পাউজেল

ডাঃ লৈরেল

মীওইবগী মশাদা প্রকৃতিনা তৌ-হললকইবা থবক অদু মীওইবগী চংনবী হাইবা স্বভাব অদুনা, ওননা তৈনবদা তমবিদুনা পুথংলকই। খুদংগী মশক ওইনা—অত্তাং অসি পোকলক-লগা, চাবা থক থক্না তৈয়কলবা মতমদা মথুৎ ওইনা কনানগু তথিবা লৈতনা চাবা পাক লৌদুনা হেকতা মচাওকই। চংনীনা থিংতনা ওই অদু শি.হনখে। য়েংনা চাক লৌদুনা চাবা তমবিদুনা, য়েত্তনা হৈনললকই। অদুদগী থক্না লৈরগা দী শেংপা থক্না হৈয়কপা মতমদা, কনানগু তমবিবা তৌদনা, কীজোম অসি ওইনারে মদা হেক্তা মশেংলকই। মাদু চু·থোকত্তুনা য়েংলমদা কী শেংপা তমবিদুনা, চাও য়বা কাওবা শেং লি মদু নি। মাসি বিজ্ঞানগী ব্যাখাদি—মীওইবগী থোপ অসি য়েং ওই ওইনা ত থাই তংথাই লৈ। অনি অদু ময়াইদা শমনৈ। য়েংকী ত থাই অদুনা ওই থংবা হকচাং তংথাই অমগী থবক পুই; ওইগী তংথাই অদুনা য়েংথংবা হকচাং তংথাংগী থবক পুই। পোকলকপা মতুং থক্না অদুদা য়েংথংবা থোপকী শরুক অদুনা চাওখংপা হাললদুনা হকচাংগী ওইথংবা শরুকনা হৈশিংবা হেলগকপনি হাই। মাসি থো ই না শানা আলোচনা তৌজরয়োই। মরমদি ঐগী আর্টিকল অসিগী উদ্দেশ্য মাদোমদা লনত্তে, মীওইবা হাইবদি মাগী লৈকম য়ুমকম, কৈরোই লৈকাই অ'স য়ামনা থুংশি। করি অমুক হাইগনি হয়েঙ চাউরবা, চহি য়ামলকত্তুনা অহল মতম ওইরকলবা কাওবদা মং মংবদা য়োনা মানা পিকলিঙদা পোকখিবা য়ুম, অত্তাং ওইবিত্তদা শাগ্রনবা মকম, কৈরোই লৈকাই অহুর.হদা থোকপা থৌদোক ওইনতা মংই। করি অমুক হাইগনি। মীতৈ ঐথোইগী য়াহৈদা থোইরি লিনশাং তাকম নয়গা য়ুম-কম হাইনরে। অদুগুনবা পুক চেল অদুবু রিতি নিতি শিক্ষাগী মগুননা কোকহনদুনা পুকচেল অসি মওং অমদা পুরকই চংনবী লোনদা শিক্ষা দীক্ষামা পুয়কইবা পুকচেল অদুবু পুকচেল অংগোবা কৌই। অদুগা প্র-কৃতিনা পিয়কইবা মং কাওবা থাদোক অবা ঐগী কৈরোই লৈকাইতদা য়াত্তাং খুদিংদা ফাজিনদুনা লৈবা পুকচেল অদুবু পুচেল শিকপা হাইনা কৌয়রে। প্রধান অমদা মীতৈ ঐথোইনা লাই লিক লাইগু হৈজ্রিত্তদা মীতৈয়েবাক অপুমবা হাংজ্রবদি লোইরে। মীতৈ মচামবু হ·বা তৌনবগা হাইদনিচ.বা য়াইহ অসি শিজননরকলে। অদুদগী পুকচেল অদু থক্না থক্না হাইদোকপক লবা মতমদা ৬সম প্রদেশকী মহুংদা লৈবদিনা অসমীয়া হাই নিং লক লে। অদুদগী শিক্ষা দীক্ষা থক্না হেৎনা

অমুক কংবা মহুংদা ভারতবাসী হাইনিংলকলে। অদুগী থাকতগী হাইগ: লকলবা মতমদা পৃথিবীদা লৈবা মী অমনি। পৃথিবীগী মী পুমনমক অসি ঐগী জাতি মুটুমনি হাইবশি থংলকই। অদুগী থাক অদু হাইলংদ্রগা বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ডগী মগুদা লৈবা মগজ্ঞ ওবা (মশিং থাবদা য়াওদ্রবা) জীব অমনি হাইবশি ভাব তায়কই। ঐনা ম'কী ব'চোই ময়াম অ'স লোল মুখগী উদ্দেশ্যদি—মতম অ'সদা দেশ অসিদা ঐগী ইংলিশ হাইলে ঐগী কাউরিক মরেক ঐগী জাত। অসিনচিংবা থবক থুদিংমকতা ঐগী ভাক্তা মত্তাইথরে। মাদুগী দমক ইজ'নি। ঐগী হাইবা শব্দ অসি অককপা মী মানা অমগ মচংদা শিজমগনি। মী মানা অদুগী য়াংমা লাদোকগ্রবদি লেমলক্তে। মীতৈ ঐথোইনা শগোল কা.কৈ অসি চৌ দোকই। মশাননা অসি ভারতকী বা মদা পুশিদনা অমুপকী মতিক চাওথংনা শেংদোংকখ্রে। পোং অসি জগংকী ওইখ্রে। মীতৈনা ঐথোইগী শগোল কা:কৈ হ'ইবা গুম দ্রে। জগোই য়াস আস মণিপুরনা চৌদোক পনি অদুবু চৌজিক্তি ভারতকী সম্পত্তি ওইখ্রে। থোক্ইবা থৌদোক অনি অসিদগী ঐথোইনা ভাব তারে পৃথিবীগী মীওইবনা লাকনরিবশি মী ওংবদা থবাংগী ওইবা কাননবা থবক পুথোকতুনা পিগদৌবগী লাকনবতনি। পিরিবা থবক অদুগী কল অদুদি জগংনা ক গদবনি। ঐগীনি হাইদুনা দ.বী তৌদুনা লৈবা য়াবা পোং নত্তে। একাগাড়ী হাবাগাড়ী য়েংগাড়ী অসিনচিংবা কানন ক ননয়বা পোং অসি মী অমমমনা পুথোকলমবা তাকনি। চৌজক্তি মীওইবগী সমাজগী সম্পত্তি ওইরে। যীশু খৃষ্টবু মধ্য এশিয়াগী মীনি মাখে হৈগী মী'ণ হাইদুনা দাবী তৌবা য়াব্রা? গৌর-চন্দ্রবু বাঙ্গালীতনা মথোইগীনি হাইবা য়াব্রা? শ্রীকৃষ্ণবু জগৎ অপুমবনা মাগীনি হাইদুনা দাবী তৌকম থোকগা?

মথং মথং

চিংগী মীশিংনা অবা অনং পুদুনা পুনশি চুপপা জেলদা লৈবগুম থাং-দুনা লৈজবা। মাগুদি ষ্টেটকী লমী শেবা, out postগী য়ুম শাবা কম পোউন শেংবা, অসিনাচংবা দা ও ওইনা থবক শুবা। মতৌ অসুম তৌনা লমী শেবা অসি চহিদা ৩, অহুম লক শেমই। করিগুবা মতমদা লমী অদু েকিনথরবদি মাদুদগা চেমা চংই out postগী য়ুম শাবা কমপাউন শেংবা আসিমু চহিদা খোংচং অময়ক শেমই। অদুগ পোচং অমারক শেমদা কুইন্ত্রবদা তুমিং ১৪।১৫। চংই ম'গুদা লৈকিখ্রবদি থা অমা কাওবা চংই।

শেমবগ মতৌদি অসিনি ষ্টেটনা চিংগ খুন য়ুমনাক কয়ানে। মশিং মতুংইমনা মাইল অমি মাইল অহুম অমুম তৌনা পিবিদুনা শেমহৈ। মাসি মাসিগী মগংদা চিংগী তৌমবি লৌ য়ানবা কৌথি থাবা হাপেংবা লৌ ভাকপা কৌ থাওনা, (লোকপা) অসিনি। মতৎ অসিদা ষ্টেটকী হুকুমা লমবী শেবা তায়বদা হুকুম কীজবনা ইমুং অমনা চহি অমা চাগংবা থবক অদু থাদোকতুনা লমবী শেমনা চং পদা লৌ উবা মতম চাখ্রে, হাইবদি লৌউবা গুমগ্রে গুমলবমু মতমনা চা দবনা মতৈ মরোং পানগ্রে। মরমদি কুমজা হৌংরে মতমনা ভাইবদ'র অমমু লৈশিনথাবা অদুনমু মতমরে— বিদ্রে মগী কাউনি বা মতমদ কাই'বরে মরম অসিনা মতৈ মরোং হ'ইবদি কৌ অদু কংদবা মী কয়া কয়া য়াং.র লাইরিক তমবা ছাত্র ছাত্রি মী কয়া কয়া। তোকনথরে ষ্টেটকী থাজনা চহিদা লুপা ৩ অহুম কাওবা থাংবা গুমদ্র অদুগা ষ্টেটনা মাদু থংবিদুনা মতম চান কৌ লোকপা মতুংদা লমবী শেংবা হুকুম তৌ'ব অদুবু মী ওই বগী অনায়েক অসিনদি মতৎ য়েংবিদ-বগা ইমুং শং অদু মচা নাবা মপা নাবা নয়গা মগা নাবা থোক্লে। ষ্টেটকী য়াথং হুকুমদি কনব'ননা কীজদু না মতু মগা অনাব অদু থ'দোক্তুনা লমবী শেমবা চংখ্রে। মতু দা অনাবা অদু লৈ.য়'বিংবা ডাক্তর লৈতবনা অমমু সেবা য়াংপনা মী কয়া কয়া শিখ্রে। মমা ম'নদ ষ্টেটকী লমবী শেমগনা লৈরি মাসি থলমু থলমুরব'দি দুচু বগী য়ানি অদুগা চদা লৈবা মীশিংগী য়ুমবাক্স চহি অমগী তুমিং চুপপা থবক তুজরগা চহি অমা চাজ বমকমু য়ামনা য়াংনথি। মরমদি চিংগী লমন' কত্তবনা অ'মু অনাব' মতমদা মাগী ইমুং পুমনমকনা শেবা তৌবিবা মকম য়াংপনা অমমু লাইনা অংদনব চিংগী মী কয়া কয়া শিনংরে অদুমক তোনখ্রবগী মংক্তা ষ্টেট সরকারগী ওবংনা নমশিনবিরদা অপাংপেদা খুজিন পাবিবগুম ওইদুনা চিংগী মীশিংনা অবাবা হাইবা অদু জেলদা লৈববদি অয়াইবনি হাইনা নিংনরি মরম অসিনা চিংগী অবাবা পুমনমক আস কোক পিনবা ষ্টেট সরকারনা হাইখিবা থবক অসি তথাক্তা শেমীবগুমনা শেমীয়ু শানিয়ু। ষ্টেট সারকারনা শেল লৈত্তে হাইয়রবদি চিংগী মীশিনা য়ুম কোক্তা লুপা ৩ অহুম থাংজবা অসিদা লুপা ১ অমা নয়গা লুপা ২ অনি হেনহনবিবা হাইনা অপে য়িটিশদা ব'থন চিশিনজরি।

কৃষ্ণন শোমা ময়োল
লিবা চংনি.

কবুই পুজা

জেনেরেল মিটীং

তাং ৭।৯।৪৬ইং থাংজা সু মিংকী সুংথিল পুং ১॥ তাবা মতমদা কৈশামথোং কবুই খুন্দা কবুই সমিতি ১নুং কবুই য়ুং এসোসিয়েসন দল অনি অসি পুনশিনদুনা জেনেরেল মিতিং অমা শ্রীযুক্ত কে:কথংগাই কবুইনা সভাপতি ওইদুনা ফমমি। মথাগী য়ারেপ অসি লেপনথি।

১। কবুই সমিতি অমসুং কবুই য়ুং এসোসিয়েসন হাইবা মিং অনি অসি মুংলগা কবুই এসোসিয়েসন হাইনা থোনদুনা জাতিগী সভা অচৌবা অমা ওইরগা জাংকী সেবা তৌবা লেপনরে।

২। কবুই সমিতিগী শেল পুথোকক্তুনা লৈরিবা অসি ওম্ব মথে থ না থোমজিনদুনা কবুই এসোসিয়েসন য়াকিং কমিতিদা শিন্নদুনা জাংকী চাউথংনবা হোংনবা লেপনরে।

৩। কবুই জাতিগী মিংচৎ ফত্তবা পুমনমক কোক্তুনা মীমা মনবা হোংনবা লেপনরে।

৪। বৃতিস রিজাপতা কবুই এসোসিয়েসনগী দুকান খুলিনবা দুকানগীদমক য়ুমফম অমতং পিবিনবা পিঃ এ দ হাইজবা লেপনরে।

৫। ইম্ফাল তাউন মনুং বৃতিশ রিজাপ মনুংদা থাইনদগী চৌনা চাউ কাইথেল লৈবকতদি হাইববু ও·থৈ অসি ফাওহনি হাইব' সেংনা শাইনা পিবিদে। সেমনা থাইনা পিবিয় হাইনা পি, এদা হাইজবা লেপনরে।

কবুই প্রজা সেংক
পানথৈ মেরজাও
সেক্রেটারী ইম্ফাল

৬। লানগী মতমদা থৈদোক্তুনা লৈরুংরবা বৃতিশ রিজাপতা লৈবা খুল পুনমক গী মাদু চনজিনবগী হুকুম ফংদুনা চনজিননবে থাদনা শিংথৌ পলিশৈদগী পায়ক লদা চেঞ্জর খুনবুদি ওসি কাওবা মথোইগী মথুদা চনজিনবা য়াবে চুইনা তাবদা কবুই নাগা ঐথোইনা থানা য়ানা থলি। কবুই জাতিনদ অতৈ চিংদা লৈবা জাতিদোনা খুনহোংনদে। অসুম্বা খুন হোংবা অসি জাতিগী ধর্ম কাইবদ অক শনি ম'সগী মরমদা কবুই ঐথোযগী কুই। হৌজিক্কী ইম্ফাল গবর্নরগী শ্রীযুক্ত পোলিটিকেল এজেন্ট শ্রীযুৎ মচ র জ দা শ্রীযুক্ত প্রেসিডেন্ট সাহেবতা কোপি অমমম পিবা হায়না লেপনরে।

ভাগ্যবতী ললিত কলা পত্রিকা— জগোইগী মতাংগী নমূনা।

(সভাপতিগী তান্নবা মন্ত্রীশিং।)

লাইরিক হৈবা ম চা' তথং ২ তৌনবা, গুণ চেনব, কজবা, মীংচং মাংলবা পন্থা, তাব থংবা, অচুমবা অবানবা থংবা, শৃঙ্গার লীলা লৈশা, মীচং মীথাই নাইবা, কবি ওইবা, অসিগুম্বা সিংনা সভাপতি অগী মন্ত্রী ওইনা লেপ্পবনি।

(সভালক্ষণ)

সভা কল্পতরুর্ভাতি বেদশাখোপজীবিতঃ।
শাস্ত্রপুষ্পসমাকীর্ণো বিদ্বদ্ভ্রমরশোভিতঃ ॥ ১৯ ॥

(সভাগী লক্ষণ)

বেদনা মখা ওইনা হিংব, শাস্ত্র মরাম্না মপান ওইবা, পণ্ডিতনা লোইবু ওইনা লৈহুনা কজবা, সভানা কল্পতরু উপান ওইনা তাল্লি।

(সভার না)

এবংবিধ সভানাথঃ প্রাঙ্মুখো নিবিশেন্মুদা।
বর্তেরন্ পার্শ্বয়োস্তস্য কবিমন্ত্রি সুহৃজ্জণাঃ ॥ ২০ ॥
তদগ্রে নটনং কুর্য্যাৎ তৎস্থলং রঙ্গ উচ্যতে।
রঙ্গমধ্যে স্থিতে পাত্রে তৎসমীপে নাট্যোত্তমঃ ॥ ২১ ॥
দাক্ষণে তালথারীচ পার্শ্বদ্বন্দে মৃদঙ্গকৌ।
তয়োর্মধ্যে গীতকারী শ্রুতিকার তদন্তিকে ॥ ২২ ॥
এবং তিষ্ঠেৎ ক্রমেনৈব নাট্যাদৌ রঙ্গমণ্ডলী।

(সভা লৈবা)

অসিগুম্বা (হাইগ্রবা) সভাপতিনা সভাগী নোংপোক থঙ্গু। মঙাইনা ফমগনি, সভাপতিগী নাক থনিদা কবি, মন্ত্রী অমসুং সুহৃজ্জনসিংনা ফাগনি

সভাপতিগী মমাংদা জগোই শাগনি, মফম অদুবু "রঙ্গস্থল" কৌই (রঙ্গ ময়াইদা পাত্র লৈরবদা মমাংদা নট অহোংবা লৈগনি

এং লোমদ তান থামা লৈগনি, নাক থনিদা পুংযবা অনি লৈগনি পুং লৈরবগী অনিগী ময়াইদা ঔলৈ শকপা লৈগনি, ঔলৈ পুনবগী নাকতা নঙ্গা শ্রুতি তৌবা লৈগনি। নাট্যনচিংবদা রঙ্গমণ্ডলীনা চাম্নুমনা লৈগনি।

(পাত্র লক্ষণম্)

তন্বী রূপবতী শ্যামা পীনোন্নতপয়োধরা ॥ ২৩ ॥
প্রগলভা সরম্য কান্তা কুশলা গ্রহমোক্ষয়ো।
বিশাল লোচনা গীতবাদ্যতালানুবর্ত্তিণী ॥ ২৪ ॥
পরাঙ্গ্যভূষাসম্পন্না প্রসন্নমুখ পঙ্কজঃ।
এবংবিট গুণপেতা নর্ত্তকী সমুদীরিতা ॥ ২৫ ॥

(পাত্রগী লক্ষণ)

হকচাং হনৌ তনৌবী, শক ফজবী, শাংনা ওইবী, নিকথা ফনবী, প্রগলভা কৌবী লক্ষণনা তিনবী রসনা তিনবী, পান্নবা ওইবী, গ্রহ অমসুং মোক্ষগী হৈবী, মিং লাইবী, ঔলৈ অমসুং পুংনাচিংবা মত্রগী তানচাবী, মমাং য়ম্বা ভূষণন লৈনবী, মঙা ফবা মাইথোং বন্ধল পানবী, অসিগুম্বা গুণ অসি লৈবিবু (জগোইশাবীবু) নাটগী মতিকচাবী পাত্রনি হাই।

(বর্জনীয় পাত্রাণি)

পুস্পাক্ষী কেশ হীনাচ স্থুলোষ্ঠি লম্বিতস্তনী।
অতিস্থুলা প্যাতিকৃশা অত্যুচ্চাপ্যাতি বামনা ॥ ২৬ ॥
কুব্জ্য চ স্বরহীনাচ দশৈতা নাট্য বর্জিতাঃ।

(লাগোকদব পাত্র)

মমিং তৌলোথুংবী, মনম ফত্তবী, মচিনবান চাউবী স্তন শাংবী, য়াম্না নোইবী, য়াকংবী, মরেপ যানা য়াংবী য়াম্না নেমবা, মনম পোনবী অমসুং খোঙ্গেন ফত্তবী, অসিগুম্বা গুপী মখল তরা অসি নাট্যগা চঙ্কেকনি।

ভাগ্যবতী পত্রিকা

Bhagyavati Patrika

১বা(চহি)ভাগ্যবতী পত্রিক,য়ুমশকৈশা২২নি পানবা লাংবন মণিপুর ১১৫৮ 18SEPTEMEER 1946. (মাপং ১২৯

বাংখৈ উইভিং ইনষ্টীটিউসন্।

বাংখৈ ইং৷লে উনাও অপুম্বা সেন্তেহর থাগী মচং দা লুপা ২০০ গী শিয়ার অমা লৌবিদুনা উরৈবাক লেবা তৌনবা বাওবিহৈরো হাইনা কৌজর। অকুপ্পা মরোল্দি শ্রী মোইরাংথেম আনন্দসিংহ, কোবে। বাজারদা হংবিরো শিয়ার ৫ ফাউবা লৌবিবা য়াগান॥

ময়াবগী মনাই

শ্রী মোইরাংথেম আনন্দ সিংহ

এম ডি, ইউ, হোলদা

রঙ্গিগী

'মতম লৈ"

তেংবাংবা অহিং॥

তাং ১৯।৯।৪৬ ইং শগোলশেন

নুমিদাং পুং ৮॥ তাবদা

উচ্চগদৌরি॥

৫ নোটিশ: নিং১: ক সভাগী তাময়ুনা, সভানা চংপ দবা পোংচং ... বৈবি ... আউটডম ... না ভলন্টিয়ার ... ং ছাত্র ... শিক্ষা বিস্তারগী থবক হৌরকনি। ... শ্রী থোকচোম বীরসিংহগী জাগা কিশামপাং, মতম ... পুং ৬ তগী ৭ ফাংবা। স্কুল সেং ১ম্ব ব্রাঃ সেংনা ভলন্টিয়ার খোমগনি। অকুপপা মরেল পীদি অক্সিসতা।

৬। অয়াবা:— লৈবাক্সী। ... ছাত্রশিংগী বিত্তা শিক্ষাগী মরমদা কোরাসিননা ... ওইরবন। অহিং ... ওইরাইবা ফংদবগী ... কোক পিনবী কর্তৃপক্ষগী মিংয়েং চিংশিনজরি।

লেখকশিংদা থংহঙ্ববা।

১। মিং থাওদনা পীরকপা অপুমবা কোংবা ... জবোই।

২। মৈতৈরেন্দা ইংরাজী মথেকনা ইংরাজী শব্দ হাপচিনহুনা ইবা লৌজরোই।

৩ পুকনিংন পামদবাদি হাপংরোই ... হজ রকউ হাইরবদি মতিক চাবা পেই টিকেট ... অ চুথবা ঠিকানা পিরকপিবা।

৪। প্রতিবাদত্ত অশাউবত্তা মউংপা মতিক চবা উত্তর নত্তে হাইবর্দ কোংজবা ...জরোই।

৫ চিংগী প্রজাশিংগী ... ভাগ্যবতীনা ... স্নবিধা পিজগনি। মাথোইমা 'পবা পউ অমত্তু মথোই ... হাইনিংবা পুমম ক ... হাপচপন। ... নিংথৌক বা খুদিংবা চিংগী ... লৈমনা মমল হাউদনা ... ৫।৫ থজগনি চেশিং ... চিংগী সাধারণ প্রজাগী ...নি।

অঙাং মাংবা।

১২ সেপ: শগোলশেনদা অখাম জানকী কৌবা ... ১৩ ... চাইহিক ... চংখিবদগী ... কনাগুম্বনা থেনবিরংদি মথাগী ঠিকানা অসিদা ও কপিরনবা প্রার্থনা তৌজর।

ঠিকানা অখাম নংথেমজাওসিং।

কাবৈখেন, অখাম লৈকাই।

বিজ্ঞাপন।

আদর্শ জন্ম পত্রিকা ছাপানম্বা।

ডবল ক্রাউন্না মরি থোকপদা কুঠী ইনবা ফরম— ... চুম্বা মরোল্দা ছাপা নমহুনা য়োল্লি, পাঙ্গিসিংনা অতোংবা মমল-দা পুন্না লে বিরবা য়াগনি।


১। অফবা বিলাটীগী অচোবা চেদ নম্বা চে অ-অমদা।৵ পুন্না লৈরগা চে চামদা	২৫্
২। চে নাপু মানবা অথাবা পারশন পেপারদা নম্বা পুন্না লৌরগা চ মদা............... ...	২০্
য়ুন্না ফবা হোয়াইট ডবল ক্রাউং ৪০ পাউণ্ডদা নম্বা চে অমদা	।০
পুন্না লৌরগা চামদা	২০্

ফংফম চুড়াচান্দ প্রিন্টিং ওয়ার্কস ইম্ফাল।

বিজ্ঞাপন

ঙসি য়ুমশকৈশা পিতৃ কর্ম্ম তৌবদা "কৃষ্ণেপক্ষে অষ্ট ম্যাং তিথৌ "হাঙ্গগনি। মুংখিল পু ২দণ্ডনা ৩।৩৬ মিঃ গী মতুংদা পিতৃকর্ম্মতৌবগী মুখ্যকালনি। অথোইবা মতমনি ১২ তাদি, ঙৈদদি দেব কর্ম্মে তৌগদবনি।

চুড়াচান্দ প্রেসগী গোশালা।



খুম্‌কচম শ্রীইবোহলনা থা খুদিংগী গোশালাগী শেল কংপা থা অসিগী লুপা ১৫ ফংলে, কান্নবার তৌরিবাসিংনা মমাঙ্গেন্থমন কংপিরকনবা থংহনৈ।

সম্পাদক— শ্রীমধুসিং, অমগং— শ্রীইবোমচাসিংহ মুদ্রনালয়— চুড়াচান্দ প্রিন্টিং ওয়ার্কস, ইম্ফাল মণিপুর ষ্টেট

স্বাধিকারী অমসুং পরিচালক প্রেস প্রো.পাইটার।

ॐ

মমা কুতবনব্ ব্রজ পরং ব্রজ নরাকৃতি।
শ্রীকৃষ্ণাখ্য পরং ধাম জগৎধাম নমামি তং।

—ঃজয় হিন্দঃ—

দৈনিক

সম্পাদকীয়

১৮ সেপ্তেম্বর ১৯৪৭ যুমশাকপ

ইন্টরিম গোবর্ণমেন্টনা ভরতকা নোন কেমগং-লকইবা মওংগ।

নিখিল মনিপুরী মহাসভা মনিপুরগী শেমগৎপগী পরকল্পনগা. সমাকরণ ভেৎব।

—(:) :)—

১ নবা।

ভুপাল ষ্টেটতা উংকোচ নোবগী কোকনবা পরিকল্পনা অমা নোনা তোবা হোরে। মাসতা মথাদা নিঃ ক মহাসভানা মনিপুরগী কর্ম চারী শিংগী থবক তোববা খুংনোননবগী থুনাবা কোকনবা পরিকল্পনা তোরিনা হাপ্পা অবা হাপ্পি, ঐহাক্না উনিংই. কায়থবা পরিনাম হেৎবদা ঐখোইনা হানবা।

মসিদা ঐখোইনা হায়জনিংই, ইন্টরিম গোভর্ণমেন্টনা মসি কোকনবা তোগান হায়বসি হায়না কংগ্রেসগী কাঘ্যকারী সমিতিদা তানত্রবনি। অদুগা করম তোরগা মসি কোকনবা য়াগদগে হায়বাব কোংদোক্লার। মহাসভাগী পরিকল্পনা অমদি উংথরে। মহুৎ ঐখোইনা সমর্থন তৌনিংই. অখুমনাদ ওইরগা মহুনা বিচার লোহ শংবাদ মতিক চাদার য়াংনা হায়না থাম্লি।

কারগুম্বা য়াখোকলবদি অচনবগী অতানবসু চেংজেন হায়বা পাওরো অসিদি মহোশানা নৈ। হিন্দু। রাজনীতিবা ডংকো — প্রাহব — ঘুষ গী মরমদা মসি বা থোকলবদা তোকপা য়াদবা অমনি, অমসু মহুৎ করম্না পিজরগদবগে হায়বদা য়ামনা নিংখনা তাকনি।

ভারতকী লম অতৈবা উকন না চিংবা ব্যবহার পাংলাংং হাপ্পুনা থবা অসি বিচার পাতিশিংনা উংকোচ তো দনবগী অথাইবা উপায় অমনি। অদুগা উকিনগী থর তিংবা অসিনা য়া থোকপগী চত্তবা য়াদবা উংকোচ অচু পিনবগী দবকনি।

ভাইবংপান অসিদা থাসাদ অকব নি, মসিনা কত্তবনি হায়বা অ্যাসেন্তি গী মত সিদ্ধ ওমনা পেপ্তুন. দোবা হোনদে। মতম অমহ্র মকনা অকবা কত্তবা ওইহনবনি। অচুবা মী অচুনা য়াগী অচুবা অচু তাকপা হৈতবদগী লানগদবদ্র অথংবা মীবু তাকখোকহল্লুনা অখামবা মীনা থামী নক সর্বজন তৌনবা অইবা মী নেকপগী পেন তিংবনা থাগী লানবা দম মত তো বওইনৈ। অহনা কোকপা অবনংবাইৰ বা উংকেচ অং অমা মকবা শিজিনরে করে।

মহুনগনা উংকোন হাবানি করে, তৌগসুতা হায়চনা খিংবদি তুরেল হকংবা নেপু হাৎবজবনি খিংবা তর লোই। মরেকনা অতবগী মথুতা নেক্তা থৌগনি। মত টাগা অতবা মপুক পাপতা লুপকনি, পাপ অহ তোইন তৌশিন্নদগনি পুথ্য ওইরোই নিংচু না লৈপতী মাংনা ওইনরিবা অমনি।

ঐখোইন নৈপাক্তা ব্যাপার দীবী উকনা প্রথা অম থমদ মনিপুরগী কোর্ট থুংনদ। নৈবা ইচ্ছা তন্ত্রগী থোকপা অতবা শিং অসি তুমিং থোকনগা অমমবা মাংবগম মথত্তা তুক২ লোগংতুনা চংথিনি। ঐখোইনা কম্মচার শিংবু নিক. তোজনংবে। মরমদি নিকনা নিকাবু নিপা তো বে। প্রবংস নাবু প্রবংসা তৌবান, নীতি অসিনা ভরত্তা বৌদ্ধ যুবকা মতোন লোমন থবনি।

× ———— ×

মহা মানা বরনটক .

মিঃ জিল্লাগা উনব।

লীগ কাবুনা মথোইগী ওইনবা তেকরবা ইজিং উংপা, ১৭।৯।৪৭ইং

—৪০:—

মিঃ জিন্নানা লাটকা সম হৈদগী থোরকদবদা প্রেস প্রতিনিধিনা ওৎবদা থুমশমচ. অমুকহু উনবিগনি. করি তুমিত্তা উনগদগে হাইবাদ অরেপপা হায়বা ওখে, অদুব হায়রমই।

বেঙ্গল প্রধান মন্ত্রী মিঃ সুরা বা দিনা পিবা বক্তব্য অমদা হাক। হকক মাংতা মান্য বড়লাট বাহাদুরনা লীগকী সর্ব্বাধিনায়ক মিঃ জিন্নাগা উনবা। অসিদা বড়লাটনা হিকহনগা নতনা ইন্টারিম গোভর্ণমেন্টনা য়াওনবগী দবক্তা ওনবা ওইরাদ ভারতকী শান্তি স্থাপনবা, দিল্লীদা ওংনবা অসিনা মতেং পাংগনি, মসিনহু হাক মতম অসিদা কংগ্রেসনদি হায়রগা পাজন য়ামা হেৎনগে মথোইনা লীগপু গোইনবা পাযনবনি মুসলমানশিংগী খুদোং চাবা দাবী কয়ামুক য়াকম থোকই মাদুগা মথংদা অমুকহু হায় কেবিনেট মিসননা থাইরমবা প্রদেশিক বিভাগ অদুদা দাবী অবা পামবা ওইনা হায়রহনা মহৎকী য়াহৈ ৭৫ লোইশিনবি।

মিঃ জিন্না মহম্মদ আলি,

নিপা অসি মুসলমান ব্যারিষ্টার ১মু রাজনীতি হৈবা অকাওবনি. করাচিদা ইং ১৮৭৬ তা পোকপনি ইং ১৯১০ দা ইম্পিরিএল লেজি স্লেটিভ কাউন্সিলগী মেম্বর ওই, অহানবদা দাদাভাই নৌরজিগী সেক্রেটরী ওই, মহাক্তা জাতীয় কংগ্রেস মহাসভাদা য়াওই ১মু লোর্ড চেমস ফোর্ডনা য়াওলেট একট লেববা মতম মিতমদা বাবস্থাপরিষদকী মেম্বর ওইবা থাদোকখি হিন্দু মুসলমানগী চুক্তিদা য়াম্না দকা ১৪ হো ৈদা মীনা করা য়ানিংদনা ওই, গোলটেবিল বৈঠক য়াওই, ১৯৩৪ দা মুস্লীম লীগকী সভাপতি ওইদনা কৈবব সিদা মতাম হৃজিক তাওনা লৈরি।

ভারতবর্ষগী পাউ।

তাং ১৬।৯।৪৭ ইং।

১। তাং ৯।৯২.৪৬ ইংলগী হৌমা দিলিদা কনষ্টিটুয়েন্ট এসেমব্লী কদা হৌরনি হাইনা মন্না দিলিদা গোভর্ণমেন্ট ইস্তাহার অমা কোংদোকলে।

২। ওসি ঙংখিল পুং ৫॥ তাবদগী হৌত্না মিনিট ৭৫ চুপবা বড়লাটকা মিঃ জিন্নাগা বড়লাটকী মযুমবা উননখি মহাকনা বড়লাটকা উননা। লকপদা পাজনাশিংনা মাগগী পাব শঙা নৈতনা হয়াওবা ঙত্তাইবা কোংদোকতুনা পাও লোংব। মহাকনা অদুকহু বড়লাটকা উননাথান হাইনা প্রেস প্রতিনিধিশিংদা থাহনাখ।

৩। অমুকগীনা ঙংখিল পুং ৬ তাবা কাওবদা আহোমদাবাদতা হাংবাখিনবা কারি থোকদোকপা। থোক্তরে কলিকাতাগী অবস্থা হংনা নৈরি। বোম্বাইদা কাংনাখননবদগী মী ১৯ লোক পগা মহুংদা হু ডুন। থিনবা মী ১৩ য়াওই হাইন কোংদোকচ, অদো ক পশিংগী মথুংদা মী ৫ শিরে অদুগা মী ২ অমহ্ শিবা চংবা থংবা মথোংদা লৈৗর।

৪। ত্রিবাঙ্কুর ষ্টেটকী দেবান স্যার রামাস্বামি আয়ারদা ইন্টারিম গোভর্ণমেন্ট কেবিনেটকী চিঠাকতা থবক পুব। মন্ত্রী ডাঃ রাজেন্দ্র প্রসাদনা উননখিবা অহ লেং টন ৯০০০ অমহ্ গেহু টন ৮০০০ মতৌ করমনা থাথবা ভারতকী মাইকৈদা য়েংহোকদগে হাইবা মরমগীন হাইন. কোংদোকই লাকইবা থা অসিগী অগানবা শকতা ডাঃ রাজেন্দ্র প্রসাদনা দক্ষিণাট্য কোহতুনা মকম অদুগী মীশিংগী চিঠাক য়াংপগী মথোংসু য়েংগনি হাইখি।

৫। সারজেন্ট স্কীমদগী হৌরগা থুবা মাবা মথৈ থুনা ভারত জাতিগী শিক্ষা ওইরা মাবা শিক্ষাগী পথাপ অমা পুথোকতুনা ভারতবর্ষগী মী পুমনমকপু থাগোকপা য়াদনা মতৈরমশিং ওয়বা থবক থুনা পুথোক্লগনি হাইনা ইন্টারীম গোভর্ণমেন্ট কেবিনেটকী শিক্ষা বিভাগকী মন্ত্রী স্যার সাফাৎ আহম্মদ খাননা কোংদোকখ।

৬। থা ১॥ চুপনা শিলহেনগরবা ইম্পেরিয়েল বেঙ্কী থবক তৌবশিংনা ওসিদগী হৌনা মাগী মাগী থবক অমুক পাইথংলে।

৭। মসোলমনগী কমিশনারনা বিলাত্তা কলোন হাকিমশিংগী মা তাংবকবা লোইরক্না মক্লকপদা কারাচীদা থুংলরে।

৮। ভারতবর্ষগা অষ্ট্রেলিয়াগা মসোলমনগী নৈমগদগা মরমশি লেপনমবা. অষ্ট্রেলিয়াগী মসোলমনগী তাই নম বা কোংচীন থুনা ভারতবর্ষদা থুংলরগনি।

৯। ভারতবর্ষগী থংমা লানগী মহৈ মশিং ওমদা থদোং চানবা অমসুং চাওথংনবা. লেমলেন হয় একাদেমি হাইবা অমা শিংথংনমবগী মরমদা প্রদেশশিংগী মত লৌনবা হাইরিবা একাদেমী অসিগী কোমিটীগী সেক্রেটরী মিষ্টার অমরনাথ ঝানা আসাম, বাঙ্গলা, বিহার, উড়িষ্যা অমসুং মধ্য প্রদেশ কোইবা লেইরে। হাউখ্রিবা প্রদেশশিং অসিগী গোভর্ণমেন্টশিংনা শিংগদোরিবা একাদেমী অসিবু য়াম্না অকবনি হাইনা কোংদোকই।

তম্ফাম্না গারল্‌স স্কুলদা থোকলিবা থৌদোক অমসুং ছাত্র ছাত্রীশিংগী অরাবা।

হৌজিক তম্ফাম্না স্কুলদা ছাত্রী ১৫৮ লোম তমলি। অদুবু স্কুল অসিদা মতিক চাবা ওঝা লৈতবদগী ছাত্রীশিংনা মক ওইনা চম্মক পরীক্ষা লীগদবা ক্লাস টেনগী ছাত্রীশিংনা কয়াদা অরাবা কংলিবা ক্লাস টেন তম্মশিবা ছাত্রীশিং অঙ্ক, ভুগোল অমসুং বিজ্ঞান তমীংনবা মতিক চাবা ওঝা লৈতবদগী হায়রিবা বিষয়শিং অসিদা ফেল ওইগদোরে হায়না য়ামনা বানক্লে স্কুলগী হেড মাষ্টারনসু অরাবশিং অসি কোকননবা হোৎনবিবা উজাত্র। ছাত্রীশিংনা চয়রিবা বিষয়শিং অসিদা ক্লাস য়াওবগী কায়বা কংচবা মরমদগী ক্লাস থরা হাওকদবদা হেড মাষ্টারনা ক্লাস টেনগী ছাত্রী খুদিংমক্তা লুপা ২।২ মমহুনা পিহল্লে। ওঝাগী ছারগা লৈনগদবা মরী থবীনবদি তৌবিত্রহনা ছাত্রীশিংগী মথক্সম তুত্তাইহন্দনা অসি স্কুলগী কদৌতৈদসু অকবা ওইরোই। কীবম অসি লিশিনত্রিতৈদা ছাত্রীশিংগী লৌথংপিখিবা লেলশিং অদু হন্দোকপিহনা অকবা মী থমনবা হেড মাষ্টারনা থজগা অচুবা লমী তৌবিশিন হায়না থনকৈ।

হৌজিক মতিক চাবা ওঝা লৈতনা ছাত্রীশিংনা য়ারিবা অসি হেড মাষ্টার অমসুং এডুকেশন লেবরনা কোকননবা হোৎনবিবনা চুমই। পরিকাদি থা অহুম মরিদা মতাইশিল্লক লে, ছাত্রীশিংনা ফেল য়ামনা ওইরগা স্কুল শিলবিরিবা অথোক্সিটিগী মায়দা কানী তৈবমি। অদুনা মতমনা থর লৈরিতৈদা অসিগুম্বা খুদোংচীবা অসি থোকনবা য়ারিবনাৈথ থুনা শিলবিবনা চুমই। অরাবশিং অসি কোকনবগীদমক তা ঐনা মথাগী নিয়মশিং অসি থব বিহনা তৌবিনবা নিংশিংজরি।

১। অমত্তোম স্কুল অমসু তঙ্গা গায়দস স্কুল অঙিমক ষ্টেটকীনি। স্কুল অদু অসিগী ওঝাশি, অসি ওঃহ ক-ওঝসিন তৌবা য়াগনি। স্কুল অসি অসিগী রুটিন তাবহুনা শেমদগা অন চৌম স্কুলগী অহ অমসু, বিজ্ঞান তম্বীবা ওঝা অহু তক্কাম্বা স্কুলদসু তম্বীহনবা হোৎনবিবা। অদুগা তৌঠনা স্কুল অসি অসিগী ওঝাশিংশিনা মাথোয় মাথোয়না হৈনবা বিষয় অমদম্ব স্কুল অনিগী তম্বিবা হোদোকনবা হেৎনবিবা মতম'দ হৌজিক্কী ষ্টেটকী এডুকেশন পোলিসি অসিনদি মতিক চাবা ওঝা ক'বা থম য়াগনি।

২। অমাঘনা স্কুল ওঝা ওইনিং ঙিবা অসি কোকননবা তোৎনাবিবা। জাতীগী মচাক শেমহগী সিনকম অসি অমামবনা পামনজিবা অস মরু ওইনা তথব য়াবদবদগী থোকপনি। অতৈ ২ কর্মচারীগা তশবতি মতক চনা পিয়গা ওঝাশিংগী তশবনা হয়না পীবা অসি য়ামনা চুমদবা অমনি। ওঝাশিংগী তশব মতিকগাবা ওঝা অমনা তৌবা হৌনবা থবককী পোচং কোননবা পিবিয়গদি হৌজিক ওঝা ফংদহুনা য়াঙ্গিবা অসি কোকনি। তশব য়াম নবা ময়মদগী হৌজিক ওঝা ওইবিবা শিং অসিসু তশবীবদা হৈনিংদবা মতম তাইহনা নোংমগী ফংদগা তশব মেং হুনা তশবীবনা অধামবা ওইরকলে মাসিনা ওইরকপ। কলদি চ'হ থুদিংগী মেট্রিক ফেল ওইবা ছাত্রগী মশীং অমুম ২ হেনগৎলকলবা অসিনি। ওই ষিবা অমগু ওইরকবৌবা কিবম পুমমক মেংবাহুনা অমহু ওইরকদৌরিবা পুমন মক অসি কোকননবা অথোয়বিটিনা নিংথিনা শিন'ববা চুমই।

নিং'শংজবিবা –
শ্রী পীঃ তোম্বীসিংহ
সেক্রেঃ – মণিপুর ছাত্র সম্মীলনী

পাউজেল

ডাঃ লৈরেল

হ্যানমগী মথং।

অহু পুমনমক হল্লোকতুনা—মহাত্মা গান্ধি অসি পৃথিবীগী পোং ওইগ্রে ভারতবাসীতগী পোং ওংবা য়ারোইদৌরি। মীতৈ ঐখোয় হিন্দু নি। সংস্কৃত অসি হিন্দুগী সম্পত্তিনি. 'হন্দু পুমনমকী দ.বী দাহুদা লৈ। বাঙালা ময়েক অসি সংস্কৃততগী থোরকপনি। অহনদি হিনহু 'ওইবা মীতৈনা ঐগী ঐগী সম্পত্তি ওইবা সংস্কৃত অমম্বং য়াগী মচা বাঙালা ময়েক দাবী তৌবদা কনাম্বু করিমতা ভাংকম লৈতে। হল্লক্কা চহি ১।২ গী মমাংদা ভারতকী রাষ্ট্র ভাষাগী য়া ভাংনয়কপদা এক ভাষাবু ভারতকী মঙ্গ.দা জান থুদিং মকী লাইরিক ময়াং কাইনা লৈরবা ভারতকী লোন অমনি। মাসিনা ওইকম থোকই হাইনা প্রস্তাব তৌনখি। মমৈদা হিন্দিনা রাষ্ট্র ভাষা ওইখি। লাইরিক ময়েকা লাইরিক অসিগা ঐখোইগা সবন্ধ থোকমখি—জান ফংবা ওমনবা লাকমবতনি। গ্রেট বৃটেনদগী থোরকপা গ্রীক লাটিনগ মচা ইংরেজী অসিবু জান কনবগী মমক, গ্রেট বৃটেনগী য়েকনবা অর্পণ জাপানবা তয়দবয়া? ঐখোইগা মতম মীতৈ অসি অংানবদা বৌদ্ধ ওইরমই। (ভারত অপুনবসু ওইরমই) মমৈদা শুদ্ধ তৌহনা হিনহু ওই। (ভারত অপুনবসু তৌখ) য়াকম অ'স স্বর্গীয় ৺বিপিনচন্দ্র পালনসু সমর্থন তৌথ "বিচিত্র মণিপুর"

মতম অসিদা মণিপুর ষ্টেট অসিগী মঙ্গুংদা চেল'লবা লোরি অসি মমিং পানথৎলগা, শিং অমগা মতুংহংা, পাল পা'ল নাইনা ডিমাপুর লখিনা চংলরি। মথোই অসি থা অমগী নত্রগা পা'ল পুমনমক থা অমগী মবুক মঙ্গুংদা চেল্লিগা থোংচংশিং অহুগ দমক পেট্রোল গ্যালন ১৫ ফংহ হাইনা তাজে। য়াকম অস অতাবান, চুমলম দবসু য়াই। অহুগা গাড়ী থুদি অস থো চং থোংচং অহুদা থানাগী অফিসার অমনা গাড়ী থাবা ননবা লাকহুনা, থোংচং থোংচং অহুগা পেট্রোল পিরে হাইবশিদ উজে। থোদোক অসিদা ঐখোইনা হাইজনি.ব'দ মাগী মাগী ফকব থোকপা পেট্রোল অহু য়ারবদি অমুক্তদা পুল্লপ পিথোকপিরগা, গাড়ীগী মপুনা মশা মশাগী দায়ীদা থা অহুগী পুললপ লমকসহ। মাসিনা থুদোং চাবদি গাড়ীশং অহুনা ডিমাপুর ট্রিপ চৎপা শুমহৌরবসু মণিপুর মঙ্গুংদা প্রজাগা পোৎচৈ চিংগোক চিংশিন তৌজবদা শেল থুম থরা তানহুনা, মাগী কর বাবগা মাংগ্রিবত্ত মেনথৎচবা শুমজহোই। লোরি পুমনমক অসি মাগ মাগী হৌনবা গবর্ণমেণ্টকী অমগুং ষ্টেটকী টেক্স অহু পুরিবা জাক'ন। মথোই অসিনা ফেল ওইরবা প্রজাগী অমসু লৈবাকী অমাংবা ভাকনি। প্রজানা হৌজিকী মতম অসিদা য়ুমকৈ শাবগী উ, বা. চবা চেক চিংবা দরম চিংবা লৈশাক চিংবা অসিন চবা দমক লোরী মণগাড়ী অসিনচিংবা ভ.ড়া পিহুনা নেকপসি য়ামনা দরকার ওইরি। অহুগী মথক্কা এজেন্সী থানাগী অফিসার অমা স্থুদিং থুদিংগী অমুক অমুক্তা মাগী মতৌপাগী ডিউটীনগী হেনদোকপা ইংক্ট্রা ডিউটি অমা পিবসু তৌররোই। অসুম তৌরবদি পেট্রোল অহু লাবা শিজনন মর্ক'ন (মিস ইউজ তৌরকান) হা ইনা লৌবিবরা অহুদি শংজদে। লাননা শিজরকলবসু প্রজাগী পবক্কা শিজম মকপ'ন মাগী থাগী ফংদম থোকপা কে টন অহুদগী হেননা পিশিন্দ্রগা লোইরে অহুগা ডিমাপুর পালিদা শংনা থংনা ট্রিপ অহুমলক চংলদনা ফেল ওইরগা গাড়ী অহু লিহুগী কাষ্ট ককথৎলগা অহুমজাই। মাসিদা করবা অরুবা য়াকন অমা হৈদ্রিবনো হাইবহুদি থংদে অহুগা য়াকম অমনা কনাওমনা লোরি অমনা ডিমাপুর চেনবদা য়াওরে। মথং ২

কৃষকসভা

১২।৯।৪৭ ইং শগোলেন জুমিং হুংথিম পুং ৫ তাবদা মণিপুর কৃষক সভা কৈথি শংৎথুগ ব্রাঞ্চ কামিটি সভা কমই। সভা অসিদা মাইগৈ অসিগী খুদং ১৭ গী প্রজা মী ৬০০ রোং তিনখি। শ্রীযুক্ত লাইশ্রম থবালঅঙৌসিংহনা সভাপতি ওইখি মথাগী য়ারেপশিং অসি লেপনি:

য়ারেপ

১। অসিগী মথাংদা মনিপুর কৃষক সভানা লেপনরকইবা রিজোল পুমনমক সভা অসিনা অনুমোদন তৌরে।

২। শংখোংহুদগী শগোলমং তাবা শবী অসি ষ্টেট সরকারনা পুরিবা লখিনি। মসি চহি ২৫ রোমগী মমাংদা অমুক্তং শেখিরমংগা হৌজিক কা ওবা শেখি বা ময়মনা লখি অসি চংপা য়াদ্রে। মাইগৈ অসিগী মুখ চিজাক খিথি অমসু শিং গাড়ী চিবা পুমনমক ওহৌকনা য়ারে। ল'ব অসি চংপা য়াদ্র হাই। য়ারে। চংপা য়াদ্রবা লখি অসি শ্রীযুক্ত থাজম ভরতসিংহনা চাও নেক্তনা ফক্ত কত্তবা মকম থোলংলনি। শেল পিদবগী কেশ থোকনপ্রে। সরকারনা লুপা ৩৫০ অহুগা প্রজাবু লুপা ৩৫০ মোট লুপা ৭০০ পিবা হাইনা প্রেসিডেন্ট সাহেবনা তাকপিখি হাইনা শ্রীযুক্ত ভরতশিংকী মতিক্কগী ভারহুনা সভা অসিনা থননরে।

ষ্টেট সরকারনা পুরমবা লখি অসিবু য়াদ্রহুনা লৈরবদা সরকারনা শেখিরদ্রে। চংতবা য়াদবগী প্রজানা শেমজলদা মতগী মতিক চান শেল পিবিবা অহুনা প্রজাদগীহ শেল অমুক থাইযু হাইবা অসি চুমদবনি হাইনা সভানা লৌই।

ময়ম অসিনা কৃষক সভানা দাবী তৌরিবদি। লখি অসি ষ্টেট সরকারনা য়ামনা থুনা শেমদিযু। ষ্টেটনা শেখি রোই হাইরগা শেংলিবা মীদা শেংবা ওকবা মতিক চানা শেল পিবিযু হাইজবা লেপনরে।

৩। মাইকৈ অসোংগী থুল ১৬কী মরাই লোকপা হাইবদি মথাদা ইরিবা থুকশিং অসি মতা চাব য়েংহনা নিম্নপ্রাইমারি স্কুল অমমম লিংথৎপা লেপনরে। মাতদি:—পৃথ্বাও বস্ত স্কুল ১

২। উয়মপোক, শগোলমং, পাংলো, য়াথোংদা ১

৩। লথোইথুল, তরেৎখুন, চাঙং, কুমুদা স্কুল—১

৪ কৈথি, চৈককথোবন লৈশাং থোং স্কুল – ১

৫ সেকতা, -হুইথোম ভ.গোট স্কুল —১

৪। মথাদ ইরিবা ভদ্রলোকশংনা মনিপুর কৃষক সভাগী মাইগৈ অসোংগী থবক পুনবা ব্রাঞ্চ কমিটি সেমদে

১। শ্রীযুক্ত লাইশ্রম থবালঅঙৌসিংহ সভাপতি

২ " তেলেম থবাসিংহ .. সেক্রেটরি

৩। শ্রী যোইরাংলেম হুংশিবীসিং তরেংখুন

৪। লিকথাবম অমুসিংহ

৫। থাঙজম তোমবাসিংহ কৈথি

৬। ওঃ লেমবিসিংহ হৈকক থোঙবান

৭। পুখ্রমবম তোমবাসিংহ উয়ুমপোক

৮ অথোকপম সিঙজিৎ হৈকক মপান

৯। শিরা। তোমবা ৭থুন

১০। থাঙজম ভরত কৈথি

১১। কে ত্রমযুম অঙৌ কৈথি

অবাবগী নিংশিংজবা

শিজমৈ মথা মমেনন লৈকাইগী ঔশিং থুবাপ্রজনা হৃদকী ঔংং ইতাও অসিনা থোকলন লকলং পুথ্রীন চংবা পুমমক অস ঔশিং থকপা য়াদহুনা প্রজা পমমনক ওহোকনা য়ানরে। সংসারগী মহুদা মর, ওইনা শিজিররিবা পোং কা য়ানমু চাক ঔশ অনি। মথন, মরু ওইবা ঔশ, অসি যক্লোকনা যমা থুদোং চংদ্রে। মরম অনিদগী লৈকাইগী অহল লমন অমসু যুমথোং থুদিংগী মী অমমমগী হৈ তৌহনা ষ্টেট ইনজি য়াবদা দরখাস্ত অমা থাজে। অহুন্ ওফিস থা ১।।০ রোম শুরকলে। হৌজিক কাওবা ইনকারী কাওবা তৌবিংদ্রে। মশম অসনা তায়ারনা এলাক অসিবা লৈরিন প্রজা ঐখোইনা ঔশিংগী দমক য়াজরিবা অসি অমুক্তং য়েংশিনবদি ঐখোইগী য়াঙ্গিবা অসি শরুক থংজকহৌদদি পুকনি দা নিংশিংবিগন এলাকা অসিগী মনিদা টৌটি অমা লৈ। অহুনু বরিবা থা তঙ্কি লনবি য়াদহুনা ঔশিং শোকপা চংপা য়াদে। ময়ম অসন লনবি অসি মী চংপা য়ানবা শেমবিবা অমা নত্রগা অহোংপং টৌটি অমা থুনাথোরাং তৌবিউ হাইনা লাইবক থিরবা ঔশি, থুমলবা প্রজা ঐখোয়না হননা ২ ষ্টেটপ, ডব্লিযু মেথরদা নীংশিজরি।

জাতিগী নিয়ম জয় হিন্দ

ইন্দকা লানদা পৃথবী মী থাং পুমনমক মণিপুরদা তোৱনবা হিন্দা তা। ঐখোইনা হিংহোবান অমনা ঐখোইগী মাতৃভাষাদি হিন্দানি মরম অসি হিন্দী প্রচার আসনু নওহনা থাব ওয়বদি, মৈতৈ ময়েক শাবা হৈরাকৈত্রা মীনা হাজিক লাইরিক ময়েক চংশা সিংদা থানদবগুম অঃরবরা মাংগনি।

—(ঃ০ঃ)—

ভারতবর্ষগা পাউ।

১৯।২০ সেপ্তেম্বর ১৯৪৬।

১। ঙসি (১৯ সেঃ) দা সর্দার বল্লবভসিংহনা ইন্তরিম গোবর্ণমেণ্টগী সদস্য ওইনা দেশরক্ষাগী কার্য্য ভার লৌরে।

ঙসি অদুক অজিদাটনা সর্দার বলদেবসিংবু অভ্যর্থনা তৌরনা ওকই। অজিদাটনা ভারতকী সৈন্য বিভাগকা মতোক ওইবা অহংব অসোবা মন্ত্রী সর্দার বলদেবসিংদা তাকই।

২। বানীজ্য বিভাগকা মন্ত্রী টি. সি. রাজা গোপালচারিনা ভারতগী মপান্না য়েংই ইম্পর্ট থাবোকপা অচিংবা মরু লৈংবদি থারোই হাইত্রমা ফিংলে। ভারতকী কাচা মাল অপুঙ্বা ভারতনা মসুগাইনা সজিবা শিংবক মপান্না থাবা অকম্বব। নিয়মগী মথাংদা থমগনি হাইনা ফেরবা তৌখি।

৩ মহমান্য বড়লাটকা মিঃ জিন্নাগা অনিমক্কী বা টিননবগী মরমদা অহেনপা লোইনবা থুমিং অমা লেপগী মরমদা কারি অমতা তৌদে।

৪। ঙসি (১৯ সেপ্তম্বর) বাঙ্গলাগী মন্ত্রী সভাদা কোংগ্রেসকী সদস্যনা বাঙ্গলাগী মন্ত্রী মওমবু অমসু দেশরক্ষাগী ভার পুত্রিবা প্রাধান মন্ত্রী মিঃ সুরাবরদিবু হন্দকী কালিকাতাগী হাংনা খিরবগী মরমদা তাকপা তমহনবনি, হাই হুনা মংখান্না লৈখ্রিবা মথৈ দেশগী শান্তি ওইগন হবদ খাতয়ে হাইনা অনাম্বা তৌখ। থাবং চুপপা মাচগা এংনাহনা লেনখি। হয়েংসু তৌগনি।

ঙসি মিঃ ফজলুর হোক লিগতা মওদু। সভাদা চংলকই, লীগকী পক্ষদগী হয়াতবগী খোজেন লাইচনা ওকখি।

৫। ভাইস প্রেসিডেণ্ট পণ্ডিত জহ্বালালনা খোবনা তৌর, মাহদা লাই—ভারতনা পৃথবীসভাদা মশাকী স্বাধীনতা রক্ষাগাদমক জাতি অতৈ অংগা লোহনবা রাজনীতি, অর্থনীতি নাচংবদা মর লৈনগদবান হাইদুনা কোংবোকখ।

৬ ভারতকা নিয়ম শেমনবা সভা ইংলণ্ডদা ডিসেম্বর থাগী মতুংদা কববা তৌরগনি।

৭। ঙাস বংগেদা শান্তি ওইনা লেনখি। বস ত্রাংনচিবা মহোপাধ্যা না চংলে। হকন পাট মপুংবা মপুক তপনা কারে থোং চাংলে। মুপন মকং অমক লুট চহ হাইনা পাউ তাবগা মঙাইরে।

৮ এ। ভবানিগী মী অমা শুরনা খিলথুত, মাদুগীদমক মী নিফু কারে।

৯। ভরতকী মকম অংতগী চাংন খিরগী পাউ ফংদে।

১০। পুনাগী জীবং হুংশিংকী পাউ দগী হিবালয়গী নোংপোকথংবা মনাক্তা ইরাং তুমিংতা নোং যামনা কয়া তাগনি হাইরকই।

—ঃ০ঃ—

আই, এন, এ, ভোলুণ্টিয়ার খুরাই

ভং ১৬।৯।৪৬ংগী তুংথিল পুং৪ ভাবদা লমলোং বাজারদা শ্রীযুক্ত খোইদিংজম অমুবীসিংহনা সভাপতি ওইবনা ভোলুনটিয়ার সভা অমা কমখি। মাদুদা শ্রীযুক্ত সানাহ নিলমণি সিংনা ভোলুনটিয়রবা অমসুং হিন্দু মুসলমান অমসুং চং অমঃনি হায়বগী মরমদা বক্তৃতা পীখিখ। ভারতকা জাতিগী কারান হাবগংখি।

লেপনখিবা রিজোলিউসনঃ—

১। দল অসি রাজনৈতিক অমসুং কন্নওয়বা দল অমগী মথাংদা লৈতে।

২। দল অসিগী মমিং আই এন এ রেলিফ ভোলুনটিয়ার হাইনা খোজে।

৩। করিগুম্বা দল অমনা লেপনবা থবক অদু তৌবরা অংসুং পাংথা থবক ওইরবদি পা খোকবরা হোজগনি।

৪। দল অসিগী সভাপতি শ্রীযুক্ত খোইদিংজম অমুবী সিংহ অমসুং শ্রীযুক্ত খোংজাম পাত্রিজাৎ সিংহ অমসুং জেঃ সেঃ শ্রীযুক্ত সানাহ নিলমণি সিংহ অমসুং এঃ সেঃ শ্রীযুক্ত রাজমণি বোস।

৫। মিংচনবা অমসুং মী লৌবা অফিসার শ্রীযুক্ত লাইশ্রমকংবম দেবেন্দ্র বোস অমসুং এঃ অফিসার শ্রীযুক্ত লাইবম তম্মাংসিংহ মিংচনবা মতম।

অরুক পুং ৭তগী পুং ১০ কাওবা হায়না লেপনরে। মকম—খুরাই পায়লস ফুবদা।

৬। তথিবা ওম্বানা শ্রীযুক্ত শগম নিলমণি সিংহ অদ ইণ্ডিয়া লাইসেন্স আই, এন, এ, ভোলুণ্টিয়ার অমসুং এদ দেবেন রায় সভাদা অমসুং রেন সিং ওম্বা ওইনা হাপলে। অমসুং লমলোং বাজার লৈতন মখোং লাই উং ভোলুণ্টিয়র কম্পানীক

তুংথিল পুং ৭॥ অমসুং ৫॥ কাওবা তবা মতম।

৭ যারকি: কমিটি মেম্বর—
শ্রীযুক্ত খেইদিংজম বিয়চন্দ্র সিংহ
,, যুমনাম ব্রজশ্যামসিংহ
, লাইতোঞ্জম শামুসিংহ
,, কমিনদ্র বোস
,, যুমনাম অচৌবীসিংহ
নবদ্বীপ রায়।
নরেন্দ্র শর্মমা
রাজমনি সিংহ
এনামউদ্দিন মিয়া

৮। মণিপুরগী মী খুদিংমক তবা য়গনি।

খুরাইগ
শ্রীপালাম নীলমনিসিংহ
জেঃ সেঃ আই এন এ
রেলিফ, ভোলুনটিয়ার।

লোন লোনবা

লোন লোনবা হায়বসি মী অমগী চাওখংপগী পথাদা য়াম্না কবা মরম অমান। ঐখোয়না সাহেব অমা উনবা মতমদা অমসুং মাগী বা থমদং তাংনবা তাবগদা ইংরেজী লোন লোনবদা ওই। ঐখোই অমত্তনা মচৌক মথ তৌনা অচুমবা ইংরেজী ইংলন্দগে হায়বা থই। তৌহওসুং ঐখোয় ই শেন তোয়ন তোয়না লোয়দ্রবদি অ ভেংপা সাহেব অমগী বা তানবা তা বদা য়ামনা থুদো চায়োই। মতৌ অনিগুমনা ঐখোই অমাঙনা বাঙ্গালী লোন হিন্দী লোন অমসুং সস্কৃত থংই তৌহওসুং ঐখোই ইংলেন লোয়র্নবদি ক বা তোয়ন বিজিনরা উবরে। মাদুগী মরম লাপনা থিক্লদবা নংতে। থরদং থংহবা মাশিংনা ঐখোয়না বাঙ্গালী লোন হিন্দী লোন অমসুং ইংরেজী লোনমচিং বা লোনবদা লোকনবি। ঐখোয় পুমনকনা বিজাতিগী মখোল হেন তবর থংগ ওম তুমাং অমসু. লোনহুনা ওনবা ওম্বা অ ভ্যাস তৌবগবনি। মরাপি ঐখোই যায়া ককচিনবা (অপংবা) মী অমা ওইথমগনি

লায়বদা খোইনা হাইমনবা খোকলোই অমং অসিনা ঐখোইনা বিজাতীগী লোন হৈনবা লমী চংশদা অমসুং মকম অতৈবা লোনবদা লোকনবিগী থবা কমনা হওবা হা য়জনি। ইতি তাং ১৭।৯।৪৬ ইং
ওয়াংখেইরাকপম হাইস্কুলগী ক্লাস টেনগী
শ্রী যাজদুম সেতুসিংহ।

পাউজেল

ডাঃ লৈরেল

ঐখোইগী লৈবাক মনিপুর স্টেট অসিবা তৌনরকপশি, কনাগুম্বা অমনা দেশ অসিগী লম অমদগী মতা চাবা লৈশাবী উদুনা, মখৌ ওইরবা হাইগে হাইরবদি লৈশাবী অদুন, লৈরিবা লম অতগী লৈরেই, লৈকাই যুমলোন লৈরোননবদা অদুগুমবা, যুম না ক অতগী মমিং অদু কৌবী তুপী মচা অদুবু করম তৌবগে ঐগী ইখৌ ওইনবা হাইগে হাইদুনা হংনয়কপা মতমদা, কৈরোই লৈকাইগী মীশিং অদুনা মতা চাবা অকবা ওইরগা থাগৎলমই। মতা চাদ্রগা অক করবা কয়া যুমনা থংদে। ঐখোই মখোই লোশিল থাদিনদুনা সম্মত ওইনদে হাইদুন থুমলমই। অকবা ওইদুনা থাগংলকনবদি মখৌ হাইগদবা কাংবু অদুনা ইকোন কোননা হংলকপদি ইতে টনেম নংগী অতে অতে অংদি ইলাইবু লাইরিনা তুপী মচা অচবু মরম ওকপয়নে যুমপানববু ঙমগদয়নে। মাতুদা থুমনয়কপশি অকবা মরম ওকপা ওইরগা যুম অমা পানুবদি, মতু নামা তেক্কনা, ইকোম কোমনা শিং মাননা পা গনি। হন্দকী হংনয়কইবা বাকম যুমপানবা হাইবা শব অসিগী দমকতা মথকী বাচোং মংম অসি লোয়ুপ্নবনি। মমাংতৌদা দেশ অসিগী শাসনদা ব্রিটিশনা থাজৈমক শেনা মথুং থিংজিনগ্রিস্তৈগী মমাংদা যুম খুদিংমক অস তুপীনা পনবা তাক্লনি। নিপাদি লৈবাকী নিংথৌগী থবক্তা দশিং ওইনা চিংখিংনা যুম অতদি তুপীনা পালহোই। মরম অদুগীদমক্তা যুম পানবা ঙমগদ্রা হাইবা বাহং আসনা অমনবা ওইনা হংনয়বনি। তুপীনা মচা মবাগী মকী খোজি. চিঙ্গাক পুং কৈরোং লৈকাই পোং রেং শিরেংনচিংবা পুই। মপুয়ে ইবগী চেংজেল তাদনি অসিনডিংবা যুমগী থরচ পুমনমক পুয়গা মরু মনেম মপা মমানা থাংবিয়কপা সম্পত্তি অতগী মথক্তা হাপকংতুনা চাউথংনবা লাকনয়কই। মাদুগী চংনখিবা নিয়ম অদুনা ওস কাওনা বেশ অসিগী যুম পানবা নিপা অমগী সম্পত্তি অসি নিপা তুপী চংদনা তাগনি। অয়ামবদনি হোজিকমকসু তুপীনা অম বনা মথই। মরম অসিগী দবক্তা মমাংতৌদি মচা মপুরোইবা অদুনা শিরগা সম্পত্তি অদু লৈহোরিবী তুপী অদুনা কনাগুমবা অমতগী অধিকার চংদনা চাজমনা মচা মত য়োকই। তুপী অদুনা শিরবা মতুংদা মচা মওনা

ক অহৌই। মানা শিংত্রৈতৌগী মহুৎলো মচা ৩ ঃতোঞ্জাল চায়কপদা মাগী মাগ হৌদোকপা খামবা লৌ শিং চকু যুবান- কীয়োল খয়া ২ থাইবি হুনা চাকখুম তোপপা হৌরককই। মতৌ অহুম তৌ-া ও:হাকন.কনা ঙজ্জা ইংমা সমাজ অসি পালমঃ। কমিওমবা অমত্তা থংনা চৈনা লৈয়মদে। মমা অহুনা মপাগী ৯হুং শিমহুনা যু.ম অহুগী অংগ ওইহুনা থবক খুদি দা ৯চ শিং অহুনা মমাগী থাথং লৌয়গা তৌনয়রই।

বাঙা'। দেশদদি (অতৈ অতৈ দেশদদি উদহুনা থংজ:ে) যুম পুন্নিবা অহল হুপা অচনা হেক শিখিবগা হুপা অহুনা লৌয়বা ইয়ুং অচগী মমা হুপী অদো মণ্ডপ কয়মগা থাওক্রে। মমা ৯পুরোইবনা তাঞমবা শেল থববা উপ্প অচগী সো অচ ৯মৌ হুপীদা শিরবে। মহাক মীরেম ওইরে। মাসি বজদেশদা চংনবস্থু থাই ৯রমদি শেল থুম অচ হুপী অচগী হমাংমন অমত্তা থাওরে। ঐখোইগ দেশ অসিদাদ সম্পত্তি অহুদি হুপীনা পুখতাল তরুবনি মমগা হুপা হুপী থাইবোক থাইবোক তারব'ন। তৌজিক ঐখোই না উরি। বঙ্গদেশগী আইন অদো মনিপুরদসু চংলকলে। মাসি কয়ম তৌনা চংশ্রিবনো হায়দুনা খিজিনলক পদা মনিপুরী ৯চা খয়া বি এল পাশ তোয়কহুনা স্টেটকী জুডিশিএল ডিপার্টমেন্টদা থবক তৌবা থাওখিব দগী আইন অসি চহনখিবনি হাইনা থংনরে। মাসি তৌবিগদ। হুপী অহুনা নবাই তাংবমখৈ, লুকমাই 'থুহনা কেখেল কাহনা শেল তাল লগা, হুপুরোইবা হেক শিবগা কয়মতা তৌবা যাদবা বঙ্গদেশগী আইন অচ শিজনবিরবদি ৩পী অপ.বং থেম হুনা পংশি শিজনরগা লোমউবগী শকক অচ মুনহুনা লৌবিবগী পাপ অমা চংগান। হেয়ং অসোমদা শ্রীযুৎ মহারাজ ইবুংঙোগী সাবুদ্ধি তৌনবা হঙ্গচরি। থাকং অসি দরবার অবং চিক শঙ্গনাচংবগা তাঞ্জগা ককথংপিয়ু ঐখোহনা ইপা ইপুদগা চংলকইবা নিয়ম অচ কাইহনা চংচগে। হিন্দু লোমান কাইনা পুশিনবিয়কহুনা ঐখোইগী দেশ আসগী পংলবী হুপী খংক্তা পংগ শুজবা কাংবু অসিবু অরাবা তাহন্নিংদে কনাগুমবনা য়েন্নকপা থাই। মপোৎ মচৈ পুমনমক য়োন্থোক-গা ময়ুম পান থিপনি। ম.৫ মচা মগু নিং'থঙনা পোকলগা হুপীনা তৌবা হৌনদে। তৌবয়ু মানা অমামবা তাঞবা লননি কয়ি বেয়া লৈবগে আইন অসিনা মৈতৈ হুপী লুখাবী থয় থং থুদোং থিবা পিরকদে। হিয়ম অসোমদা মহেনা সমাজগী থাথল চিংশিঙ্গরি। এসি যুগ বিচার .তৌহনা য়েঙউ। মৈতৈ হুপী পুমনমক আইন অসিগী মথা পোত্থবনি অক কঙবা কুপনা খিজন হুনা শেহলোক হৌরবদি মরাঙকপা হঙ্গকপদা মমৌনা পীয়ো কহাই হাই হুনা তাঞ্জগনি।

তাং ১৮।৯।৭৬ ইংদা আয়য়াম হৌপদা শ্রীযুক্ত থোকচোম অঙৌসিং আই. এম এ না সভাপতি ওইবি হুনা অচৌবা সভা অমা কমখি। মী ৭০০ ৮০০ তিমখিখি। শ্রীযুক্ত খোইমচাসিংহ, শ্রীযুৎ ইয়োম চন্দ্রহাসমচিংবা তত্রলোকশিংনা মনিপুরদা হৃজিক লৈ রিবা তোঞান তোঞনবা রাজনৈতিক সংস্থানশিং অসি কয়মা পুন্শনবগে অমসুং মনিপুরী ঐ.খায়না হৃজিক তৌ-বা থাব থবক অসিনচিবগী ময়মদা মায়া কক কঙয়া বক্তৃত পিখি সভা অহুনা অসিগুবা রাজনৈতিক দলশি. অসি মায়িবমদৈ শিজহরবগীদমক থবক মায়পুনব। অর্গেনাইজিং কমিটি মচা অমা শেখি। থনখিব মেম্বরগীমি

১ শ্রীযুক্ত খারাবম গোলন্দসিং লগোলবন্দ
২ " লগোশেম্বা ইন্দ্রমনিসিং, থাং'মবন্দ
৩ " লৈ ইতাম রাইমাসিং লংজমৈ
৪ „ রাজকুমার মাই তেন্দ্র,
৫ „ ইয়োম চন্দ্রহাসসিং, মোইরাংখোম
৬ " চুংথাম বীজয়চন্দ্রসিং. ব্রহ্মপুর
৭ নোংম ইখেম তোম সিং,
৮ " সুধীরসিং, মোইরাংখোম
৯, লাইরিকয়েংবম বুদ্ধচন্দ্রায় বী এ থুবাই

শ্রীযুক্ত লাইরিম য়েবম বুদ্ধচন্দ্রায়না অর্গেনাইজিং কমিতি অসিগী সেক্রেটারী খাংলে।

তাং ১৯।৯।৪৬ ইং কী অযুক্ত পুংচা তাবদা হয়িবা কমিতি অসিগী মিতিং অমা মোইরাংখোম শ্রীসুধীসিংগী দা তিন্নখি। থননখিবা হিরমশিং মথাদা ইজরি :–

১। সভা অসিগী ম মিং অংপেপা খোননরি, মনৌদি মনিপুরদা লেপিবা রাজনৈতিক দল অপুমবখু তিনশননবা থানবা শিনবান মচুগী মায়পুননংগীদমক অর্গেনাইজিং কমিতি অসি লেমলে,

২। মনিপুরগী রাজনৈতিক দল অতৈবু পুনশিনবা থানবা থা লেপ নগীদমক রাজনৈতিক স স্থান থাদমকও বদি তিগা শেমলিবা অর্গেনাইজিং কমিতি অসিগী জেনেরেল মিটিং অম কমবা লেপনরে।

৩। অনুষনা পুননা তিনন্ননা শেখা থানরবদা অপুনবা অমত্তা ওইবা অচ মান অমগী মমিং অমা থোনবা লেপনরে।

৪। থানরবা মতু দা মনিপুরগী চৌগী অমসুং তমগী প্রজা অপুমবা থাউহল হুনা শেমগোহিবা সংস্থান অচগী মমিং মনিপুর স্টেট পিপলস কংগ্রেস হাইনা থোনসি হৌদোকপা লেপনরে।

৫ অমুমনা অপুনবা সভা অমা লে মনবরা হৃজিক লৈরিবা অর্গেনাইজিং কমিতি অসি শেংহোকপা মমগা কন র্গায তৌবা লেপনরে।

৬ ৯পুম-া কয়িগুবা মনিপুরগী অপু নবা অনুষ্ঠান অমা শেমলবদা ভারতীয় কংগ্রেসকী পোলিসি প্রোগ্রাম অপুমবা ইনুনা কাংগ্রেস নিয়মাবলী মথাদ থবক তৌবা লেপনরে।

৭ থননবিবা হিরমশিং অসিগী কোপী অমমম প্রজা সভা নিখিল মনিপুরী মহা সভা কৃষক সভা অমসুং ভাগ্যবতী সম্পাদককী কে যৌনবগীদমক থাবা লেপ্পরে

শ্রীইয়োম চন্দ্রহাসসিংহ

মণিপুর কৃষক সভা

তাং ৯।৯। ৪৬ ইং নিংথৌকাবা কুমিং হুংথিন পুং ৫ তাবদা কৈয়ক শ্রীযুক্ত বড়ঠাকুরগী মাঙগতা মনিপুর কৃষক সভা কৈয়ক ব্রাঞ্চ কমিটি সভা কই। শ্রীযুক্ত মোথোখম লৈ রেনসিংহনা সভাপতি ওইখি। মথাগী যথোঃ শিং অসি লেপনরি।

১। মনিপুর কৃষক সভাগী মমাং গী নিয়োঃ পুমনমক তাহুনা থংজরে অমসুং অক্রুমাদন তৌরে।

২। কৈয়ক খুল অসি মহৌশা দগী হৌনা এল, পি, স্কুল অমত্তা লৈয়ক্তবমা খুল অসিগী মী অমত্তা লাইরিক লাইগু ইবা পাবা নিংথিনা থোক্তে। হৌজিক থাবগাইদা প্রাইম রী স্কুল অমা ককচিংদা অমা লৈ। ৯কং অনি অসি কৈয়ক্তক মাইল ২ লাপনা লৈবন' পিকলিবা অঙাং শিংনা লাইরক তমা চংপা ঙমদভনা তমদ্র। মসি কোক্রবা কৈয়কী মী থুবনা অমা নেংমকংনা প্রাইমারি স্কুল অমা লিংখংলিবা অসি স্টেটনা থুনা মস্তে পাংবিরবদি কাইখিগনি কাইা নি লে/ ময়ম অহুনা থুনা স্টেট সংকারনা গ্রান্ট পিবিনবা হঙবা লেপ-রে।

৩। কৈয়ক খম্বিগী সাংলাংগী খুম থাওনচিংবা থাবগাংদগা লোলান। সাপলায়গী জিলার হাপপা মওয়া খুম অসগী মী থাওখিদে কমিতি মেম্বর হাপপা মতমংসু খুল অসিগী মীনা ৯নহনা চাপথিবা নত্তে অহুনা তৌজিক খুম গাও য়েলকপা মতম দা ঐখোই থংনা থাই ময়ম অসিনা যুম ৩০০ তথিংগী খুল ৯সি গীদমক ডেলর হোপনা চাপচগে থা হনবিয়ু হায়না সপলায় মেম্বরদা হা য়জবা লেপনরে

৪। মাঙক কোবা চিং অসিদা হৌরবা মতু মথান অসিনা নাক্ত খেতিশিংগী লি য়েল থয় থয় চন্নুনা কানশৈক মাসি মতু অসি খুল অ চৈদা তাহিবা মাশিংবু পিথোকপ্রে হাইহুনা বন্তি থাসো ঐখোইবু শি ই কানথক্রে অহুনা মতু অসি বন্তি ঐ খোইদা পিবিয়ু হায়না হায়জবা চে প নরে।

৫। তুরেল লিলাম ওকপা পাট্টা দায়না তুরেল মহুংলা লোংথুম লোব দা তুয়েল লোনথাল কিয়ুগু০ লখি চংপা থাংক্তে অহুনা ইংথেল পাট্টা গী মতুদা লখি ওইশিনলক্তে মাসি তৌ তৌজনবিয়নবা অথোরিটিদা হায়জবা লেপনরে।

৬। মগাদা হাইরিবা তত্রলোক শিং অসিনা মনিপুর কৃষক সভাগী মাইং অসোমগী থবক পুমনমক ব্রাঞ্চ কমিতি অমা শেমলে।

শ্রীযুক্ত নোংথোখম লৈরেনসিংহ সাং কৈয়ক
„ খোম্রাম মনিথয়সিংহ „ "
„ খোনাঙঝম ইবোতৌসিঙ „ „
" লঙ্কাম কুমুদসিংহ " „
৫। „ নোংথোখবম অথবসিংহ . সাং কৈয়ক
৬। „ খোংগ্রাম খোমদোনসিং „
৭। নাওরেম ইবোতোমবীসিংহ,
৮। „ রাজৈম ময়ুম চাওবাইমসিংহ "
৯। „ মৈয়েং বম কালাসিংহ
১০। যুমনাম কাঙ'টসিংহ
১১। টৈয়েংবম মইংসিংহ
১২। ঐ চ ওবাসিং
১৩। এলাংবম নবাঙসিংহ 'হয়াঙ
১৪। 'য়ুমনাম অচৌসিংহ „
১৫। হাওয়ম মংগীয়ংশিমি. „ ককচিং
১৬। উরিংখিনাম টৈতোংসিংহ লমজাও
১৭। টৈরেংবম গোকুলদাসসিংহ „
১৮। নাওরেম কুঞ্জসিংহ কৈয়ক অচৌ-

সহি শ্রী ৫ রেনসিংহ সভাপতি

তাং ১৭।৯।৪৬ ইং ৫ প কপোকপা কুমিং থুংথিল পুং ৫ তাবদা মাংগাং অ বংগী বমেন মাংতবতা মণিপুর কৃষক সভা থাংলেম ব্রাঞ্চ কমিটি সভ কনই সভা অসিগী মপোম তুলসহল তথিদাও ১ চাউ কৈ তাবংখোওক কোহৌকম লায়রেঙবম, মৈরা কোদোমথোকপী, বম মায়নচিংবা লাকহুনা খুদং ১০, ১১ গী প্রজা অমসুং অতৈ অরাপ অরাপা কমিটিগ পতিনিধিশিংবা লাকহুনা মী ৬০০ রোম তিনথি। শ্রী যুক্ত চা বম পার্বতীসিংহনা সভাপতি ওইখি। মণিপুর কৃষক সভাগী জেনেরেল সেক্রেটারী শ্রীযুক্ত মধুমঙ্গলসিংহ। লো উবা প্রজাগী শিক্ষা, রসক, শি ল্প, অর্থনীতি, অমসুং রাজনীতি চাওথংনবনি।

নিখিল মনিপুরী মহাসভা মিটিং।

হাওরেংগী মথং

তাং ১১।৯।৪৬ ইং—

৯। খুম পাং কী অমসুং খংদা য়েনবদা লমাই ইন্দান থাইবনা লম লম অচগী ওকনবা য়েনবিগনবনি। হৃজিকী ময়েন অসিদি মীচঙ শংগন নাংবগী নাওখন থবইদা যুম অমদা কেরোসিন পৌবা অমা থুংলগা ইন্দাকলনা যুমথোংদা সেয় ২ কাওবা কহই মরম অসিনা ইন্দানগীসু ইন্দানগী ওকনবা, লমাইগীসু থাগী ওংনবা পীবিয়ু হাইনা হসিগী মকানা দাবী তৌরি।

১০। মথাগী তত্রলোক শং অসিনা শাখা সমিতিগী মেম্বর ওইগনি অমসুং সমিতি অসিনা খুল খুদিংগী প্রতি নিধি অনি অনি লৌয়গা শাখা সমিতি অসি চাওখোকহনগনি সমিতি অসিগী সভা অমসুং সেক্রেটারী মথংশিংনা শ্রীযুক্ত ২০য় গোপালসি অমসুং থাখেম রাধেশ্যামনা ওইগনি।

সমিতিগী মেম্বরসি

শ্রীযুক্ত মাইস্নাম গোপালসিংহ
„ কোইজম লীলাসিংহ
„ অরিবম ইবোতলশং
„ লরোকখাইবম তোখীসিংহ
„ নাওরেম মনিসিংহ
„ থাখেম রাধেসিংহ

সহি/শ্রীখিজমনি শর্মা
প্রেসিডেন্ট

ভাগ্যবতী ললিত কলা পত্রিকা— জগোই মতাংগী নমুনা।

(সভালক্ষণং)

সভা কল্পতরুর্ভাতি বেদশাখোপজীবিতঃ।
শাস্ত্রপুষ্পসমাকীর্ণো বিদ্বদ্ভ্রমরশোভিতঃ ॥ ১৯ ॥

(সভাগী লক্ষণ)

বেদনা মশ ওইনা হিংব, শাস্ত্র মতাম্না মপাম ওইবা পণ্ডিতনা খোইদু ওইনা হেন্দুনা ফজবা, সভানা কল্পতরু উপামে ওইনা ভাম্নি।

(মফার-না)

এবংবিধ সভানাথঃ প্রাঙ্‌মুখো নিবিশেন্মুদা।
বর্তেরন্‌ পার্শ্বয়োস্তস্য কবিমন্ত্রি সুহৃজ্জনাঃ ॥ ২০ ॥
তদগ্রে নটনং কুর্য্যাৎ তৎস্থলং রঙ্গ উচ্যতে।
রঙ্গমধ্যে স্থিতে পাত্রে তৎসমীপে নাট্যোত্তমঃ ॥ ২১ ॥
দক্ষিণে তালধারীচ পার্শ্বদ্বন্দ্বে মৃদঙ্গকৌ।
তয়োর্মধ্যে গীতকারী শ্রুতিকার স্তদন্তিকে ॥ ২২ ॥
এবং তিষ্ঠেৎ ক্রমেনৈব নাট্যাদৌ রঙ্গমণ্ডলী।

(সভা লেপ্পা)

অসিগুম্বা (হাউপ্রবা) সভাপতিনা সভাগী মোংপোক ওন্দু। হুভাইনা ফমগনি, সভাপতিগী নাক অনিদা কবি, মন্ত্রী অমসুং সুহৃজ্জনসিনা ফমগনি
সভাপতিগী মমাংদা জগোই শাগনি, মফম অদু "রঙ্গস্থল" কৌই (রঙ্গ ময়াইদা পাত্র লৈরবদা মমাংদা নট অথোইবা লৈগনি
এদোমদা তাল থাব লৈগনি, নাক অনিদা পুংথবা অনি লৈগনি পুং লৈবা অনিগী ময়াইদা ঈশৈ শকপা লৈগনি ঈশৈ পুনবগী মকতা মক্তা শ্রুতি তৌবা লৈগনি। নাট্যমচিংবদা রঙ্গমণ্ডলীনা মাসুমনা লৈগনি।

(পাত্র লক্ষণম্‌)

মপাক ওইবী, তাইংং অপুম্বাবু শুমংপিও, তে জগোইশাফমগী মবেমা নংনা হেন্নে নংনা তেন্নে।

(পুষ্প গুলী)

বিঘ্নানাং নাশনং কর্তুং ভূতানাং রক্ষনায়চ।
দেবানাং তুষ্টয়ে চাপি প্রেক্ষকাণাং বিভূতয়ে ॥ ৩৪ ॥
শ্রেয়সে নায়কস্যাত্র পাত্র সংরক্ষণায়চ।
আচার্য্য শিক্ষা সিদ্ধ্যর্থং পুষ্পাঞ্জলিমথারভেৎ ॥ ৩৫ ॥

(লৈ থুক্লোক থৎপা)

হৈখাউ থিজাই তোক্লা, থরাই পানবসিংবু তাকপনবা, লাইগী পেননবা অয়েংবাসিংগী মতিক মঙল চাউথংনব, জগোই মপুং ফাননবগীদমক জগোইশাবীবু তাকপিনবগীদমক্সু, এঝানা তম্বীবা মহৈগী মহৈ থাননবগীদমক লৈ থুক্লোক শাম্দা থংকনি।

(নাট্য ক্রমঃ)

এবং কৃত্বা পূর্বরঙ্গং নৃত্যং কার্য্যং ততঃপরম্‌।
নৃত্যংগীতাভিনয়ন ভাবতালযুতং ভবেৎ ॥ ৩৬ ॥
আস্যেনাবলম্বয়েদ্‌ গীতং হস্তেনার্থং প্রদর্শয়েৎ।
চক্ষুর্ভ্যাং দর্শয়েৎ ভাবং পাদাভ্যাং তালমদিশেৎ ॥ ৩৭ ॥
যতোহস্ত স্ততো দৃষ্টির্যতোদৃষ্টিস্ততো মনঃ।
যতোমনস্ততো ভাবো যতোভাবস্ততোরসঃ ॥ ৩৮ ॥

(নাট্যগী পথং মনাও)

মাসুম্না অহানবদা রঙ্গ (কৃমৈ তৌফম=জগোই শাফম) লেপ্লগা পুংগী মতুংদা নৃত্য (জগোই) তৌগনি (শাগনি)। নৃত্য কৌবদি— শৈংনে, মোদনে, ভাবনে অমসুং তালনে মাথোই অসিনা তিনববু কৌই মথোই অসিগী পারে দি চিন্না শকনি, খুৎনা মোল তৌগনি, মিৎনা ভাব থংহনগনি, খোং অনিনা তাল উৎকান থুগা এংগনি, য়েংবদা পুকনিং থমগনি, পুকনিংদা ভাব থমগনি, ভাবতা রস ওইহনগা মাসিনি জগোইগী পরেংদ।

ভাগ্যবতী পত্রিকা

Bhagyavati Patrika

১বা(চহি)ভাগ্যবতী পত্রিক, নিংথৌকাবা২৮নি পানবা লাংবন মণিপুর ১১৫৮ 23SEPTEMBER1946. (মশিং:১৩৩

নোটিশ ।

অসিনা মরম ওইনা থহল্লি মরমদি চৈটনা য়ামনা ফবা ১লান ফৌ লৌগনি কনাগুম্বা মশানা লৌউবা মী নক্রগা লৌ মপুশিংনা চৈটকী ওামদা ফে' পীরবদা চৈটনা সের ৪০ না শংবা মন্দা লুপা ২৸৴০ দা পিগনি।

লৌউবা মী নক্রগা লৌ মপুশিংনা চৈটকী গুদাম্মক্তদা ফৌতম্বা য়াগনি নক্রগা করাইদা মন্দা লুপা ২৷৷৵০ দা বংল্লু হাযদুনা চৈটনা হপ্পা এজেণ্টশিংদা ফৌ পীবা য়াগনি

ফৌ তাইবগী মরম মশা মশানা তাইনিংবা তাইনিংদবগী মতুংইন্না তৌগদবনি। তৌইগুম্বগং লৌরিবা অমম্বং তাইরিবা ফৌদুনা চৈটকী মপান্দা থাদোকখিনবগীদমক্তা নক্রংদি অমগা অমগা ফৌ পিথোক পিশিন তৌনবদা থোইদোকপ' অথিংবা লৈতে

কনাগুম্বা মী অমনা মণ য়াথৈদগী হেন্না করি–গুম্বা মুমিৎ অমদদা পীগে হায়না নিংলবদি এম, এম, অফিসগী ফৌগী সুপারভাইজারদা মাংজৌননা থংহনগদবনি।

নোটিশ অসিনা থংহল্লিবা মমল অসি সেপ্টেঃ তাং ১৫ | ৯ | ৪৬ ইংদগী জানুয়ারীগী তাং ১ | ১ | ৪৭ ইং ফাওবা লৈগনি। ইতি

Head Clerk, M. M.
For, প্রেসিডেণ্ট মনিপুর ষ্টেট দরবার।



শ্রীল৺ভাগ্যচন্দ্র জয়সিংহ মহারাজ

মেরা ৩নি পানবা থাংজ মণিপুর ১১৫৮

(২৮ সেপ্টেঃ ১৯৪৬)

ভক্তরাজষি নিংথৌগী স্মৃতিউৎসব কৎকনি।

মচাইবুঙো নিংথৌরেনসিং—

১ লাবন্যচন্দ্র, ২ মধুচন্দ্র, ৩ চৌরজিৎ,

৪ মারজিৎ, ৫ গম্ভীরসিংহ

নিংথৌরেনশিং অসিগী ধারা পুন্নমক্না পুল্লপতিন্না কৎচবনি।

....মফম.........

৺মধুচন্দ্রগী প্রতিষ্ঠিত ৺শ্রীশ্রীমদনমোহনজীউ

অগ্রদা—

বর্ত্তমানদা— ভূতপূর্ব্ব দরবার মেম্বর শ্রীযুৎ য়ুমজাউসিংহনা মহাকী সধর্ম্মিণী শ্রীমতী চুঙ্গোইন্নাদেবীগা লোইননা থৌরু ওাজবতনি।

কীর্ত্তন মহাযজ্ঞ ।

শ্রীযুক্ত ৺ভাগ্যচন্দ্র মহারাজনা শ্রীগোবিন্দ নিরূপণ তৌরমবা চহি ১৭০ হেল্লে। ওসি ফাওবা শ্রীগোবিন্দ আবির্ভাব তিথিগীদমক মহোৎসবনচিংবা থোইদোকপা উজদে। স্বর্গীয় সার চুড়াচান্দসিংহ কে, সি, এস. আই; সি বি ই মহারাজ সনা হাকথক্তা আশ্রম গী হুকুম পীনবিরম্লে। শ্রী পঞ্চযুক্ত মচা ইবুঙো মণিপুরেশ্বর মহারাজ সনা হাকথক্তা কুমশি তাং ৩১। ৫ | ৪৬ইং দা শ্রীরাধামদনমোহনজি অভিষেক তৌদুনা সেবা চৎচরে। অদুগা তাং ৬ | ১১ | ৪৬ ইং উত্থান দ্বাদশীদগী হৌনা শ্রীগোবিন্দ আবির্ভাব উপলক্ষদা শ্রীগোবিন্দগী জন্মস্থান কাইনা গোবিন্দাশ্রমদা চহী থুদিং কীর্ত্তন মহাযজ্ঞ কংচরগনি। কুমসিদি আশ্রমগী সামর্থ্য মতুং ইন্না শ্রীঅমেবা খুল্লাকপনচিংবা লিশমলোক হাওগী মতেং লৌদুনা মমিংতা ওইনা কংচবা তারে। ভক্ত বৈষ্ণব পুমনমকনা মরূপ মপাংগা যজ্ঞ অসিদা লেংবিরক্তুনা চহী থুদিংগী কংচবা ওমনবা অফ ফত্তবা লম্বী তাক–পিনবা খুরুমজরি। ইতি– তাং ১৯ | ৯ | ৪৬

তৌজগদবা— খুরুমজবা

অয়ুক— বৈয়সিকী কীর্ত্তন (শ্রীমদ্ভাগবত কীর্ত্তন) — শ্রীমোইরাংথেম চন্দ্রসিংহ

নুংথিল নারদীয় কীর্ত্তন, (হরি সংকীর্ত্তন

সম্পাদক— শ্রীমধুসিং, অমসুং— শ্রীইবোমচাসিংহ মুদ্রনালয়— চুড়াচান্দ প্রিণ্টিং বাকস, ইম্ফাল মণিপুর ষ্টেট স্বাধিকারী অমসুং পরিচালক—প্রেস প্রোপাইটার।

ওঁ

যথা কূর্ম্মসহং ব্রহ্ম পরং ব্রহ্ম মহাকৃতি।
ত্রিকালথা পরং ধাম জগন্নাথ মনাদি যং।

—ঃজয় হিন্দঃ—

দৈনিক

সম্পাদকীয়

২৩ সেপ্তেম্বর ১৯৪৬ নিংথৌকাবা

লইরিক মহেক চৎপা।

—ঃ০ঃ—

ঐখোইগী লোনগ ইনবা মহেক লৈরে। মা নত্তবা অমনা ইরবদি মে তৈরোনব মপু, কানা ইবা য়াদে। অদুবু ঐখোইনা অচৌবা জনতাগা তানবা য়ানবা ঐখোইগী সাধারণ শিক্ষাদা অতোপপা মহেক অমা চমজকই। মসিগুম্বা ঐখোইগী ইরোল লৈরবগুম্ অচৌবা জনতানা কংনবা অতোপপা লোন অমা সাধারণ শিক্ষাদা তমনকই তৌইগুম্ব লোন তমবা অসিদি থাদোকনকপা মতম থরা ওইরে। অদু ওইরবদি অতোপপা মহেকসু থাদোকলসি হায়গদবদা ঐখোইনা মী য়ামদবগা ঐখোইগী জ্ঞান মপুং ফাদবিবগনা। থাদোকপা য়াদব। অদুবদি ম.যকনা তাগে ঐখোইগী হপা ইপুদগী তৌরকপা লবেন অনমক থাদোকহল্লসি অদুনা দেশ বাসি পুম্মক্কা ঐখোইনা নোলুকপা য়াহেন। লাউজরি। মথং ২

—-(ঃ১ঃ)—

ভারতবর্ষগা পাউ।

তাং ২০।২১।২২ সেপ্তেম্বরগী অসক্বা।

১। বাঙ্গালা প্রদেশিক মন্ত্রী মণ্ডলী মহাক্না কোংগ্রেস শিংনা ১৬ আগষ্টগী ডাইরেক এক্সন মুমিত্তগী হুমিং ৪ মি কলিকাতাদা হাৎনখিবগী মরম দা মুস্লিম লীগকী দারীনি হায়দুনা লীগ মন্ত্রী শিং অমসু প্রধান মন্ত্রী মিষ্টার শুহ্‌রাবার্দিবু অনাস্থা জারিবা তাং ১৯।২০ দা ভোটকী পাঙ্গল না লোখোকখ্রে।

২। বম্বেদা হাৎনবা হৈংদে, তাং ২১ ফাওনা অনৌবা অমত্তা থোকতরে।

৩। তাং ২১ দা অমুক হন্না দিল্লীদা ইন্তরিম গোবর্ণমেন্টগা ভাইস প্রেসিডেন্ট মাননীয় পণ্ডিত জবাহরলালনা ঘোষনা তৌখি। মদুদিঃ— মতম অসিদা ভারতকী চাক তাংবা অসনা অচৌবা কোকচুমগ্রা অরাবা মথক ওইরে। মীরৈবাকগী জাহাজ পোং পুরকপনা অাহাজ। কর্ম্মচারী শিংগী শিন্নরেরবনা মতম চানা মাল থুংদবনা অরাবা অসি অকিবগী মথক

অংগুংদু অসিগুম্বা মরম্বা হেক্তবা ওবা মখোই মী পুৎকককনা হোৎজন বনি. অদুমক্তা থোকনা তৌই।

মসিদুগী মরম আমেরিকাদগী অচা পোং টন লিশিং মুক্ত মগী ভারততা পুলেগনবা হুমিং ১৫ নি থিরুরে।

ইংলোলোশিয়াদগী চেং মবাক পুবা অহাল ও'স যাত্রাদা থুদৈ।

৪। ২২ সেপ্তেম্বর বোম্বাইদিংদা দিল্লীদা কোংগ্রেস ৱার্কিং কমিটি হুংখিদ পুং ১॥ দগী হৌনা কমকনি, মদুদা ইন্টেরিম গোবর্ণমেন্টনা ভারত শাসন তৌবা. ২। কোংগ্রেসকী সত্তা পত থনবা ৩। ৱার্কিং কমিটিগী থেবর থনবা বিষয় অহম থনগনি।

———ঃ০ঃ———

ষ্টেটকী প্রজাবু মুংশিবা।

মায়াংপুর প্রজা মী লক্ষ মতারোম অসিগী মখোই চাওখৎলুবা'ন হায়দুনা চিরম থিদনা লৈজরিবা সুবিধা কংলবা থাই, মাইকুপ, থুমাই অমসুং মাংলৈদ লৈকাই মরি অসিনা চাদ ৫ চুপনা তোপ তৌরকলিবা ওইকই অদি কোনা ফংবা অসি য়েংবিয়ু থুদম ওইনা হায়রবদা থুম পাউ. চিনি, কি, দং অসিনি। হৌখিবা লানগী কাং খোঃ চাইদুনা লৈমিংও চহি মরি অতদি প্রজা অতনা দর য়াম লি অদুসু পোং মাতক চানা কং দে কায়দুনা আপত্তি তৌরবদে। মদুগী মক ওইবা মরমদি ম'শং মাকরমগ্রা মিলিটারী করাগী রেশনদগী যুধরকপা থরা অদুনা মী অমামবগী মপুক থরমম

কৌমিক্তি কদাই যুমথোংগী থাদা কেরোসিন সেয় অমা, থুম সের ॥০, থুম ৮০ কি থুদুপ ৫ র। দং থরা য়া কংবদুনদ মহৌশানা শুপকং ৮ মবনগীদি থরনি কপংলে হায়রবু অয়াংপদি মেনবা ভুমদে।

থুদম ওইনা হায়রবদাঃ— চহি ৪ চুপনা যুমথোংদা কেরোসিন ।০ পৌরা অমমম কংলমবদগী প্রজানা লাউবা কমরদি করাইদগানো পোরাবা ৮০ কাপকংশিরকলে। কন্ট্রোল চাও থংলবা ইন্ফান সহরগী য়ানি। পৌরাই অমসু চীনগী য়াদি মতুংদা লাওবা কমগা থাবরকপা হায়বা অপা তৌজে।

থরদং কংজরিবা অসিগী মহুংদা মমলগী মরমদা হায়রবদি আঙানবা থুদমদি রিটেলদা থুম সেরদা ।৶০ অনা পৌবিরি নেজলদা থুম সেরদা ৶০ অমা আসামগী মথম থুদিংদা লম ই থৌবাইদা সেরদা ।০ অনা। কমি অমুক হায়গনি মাগা চিলগী মহুং চনবা ডিমাপুরদা থুম সেরদা ।০ পিমরি, হেক যুম পোননারিবা ইম্ফাল সহরদা থুম সেরদা ।৶০ প্রজাগী যুমথোং থুডিংদগী পৌথংপাস চুমদবা মরোইদা মমল য়ামনা লৌরে। মরমদ ডিমাপুরদা হোলালবা থুম অদুমক ম অমত্তগী দর অমত্তবা সপ্লাই তৌরকপনি মটর তারাগী মরমদা হাম্বু অকরবা তাড়া মনদা ১৮০ কোর্ড বর্ডি কমিশন ।০ অনানা

পুমনা ৫, লোম্বা ৯—পাই ডিমাপুরদগী ইম্ফাল য়োংবা হৈ।

অদু ওইরবদি রিটেলদা ৯ ১০গী ৭ পাইনা কংকম থোকই। মদুগী মরুবা ।৶০ চক ৯। ৫ চুপনা. য়ৌবিরকই। মনিপুরবা অসি কর্ত্তৃপক্ষনা য়াবিবা মথৌ পৌংলোকপসু মতমদি আনাবগীগা ডগায় হাপলগা রিটেলদা য়োললরিবনি।

কিগী মরমদা হ'রগা হোৎলেল ডিলারনা ডগায়শিংদা ২৭% এজেন্সি লগী মথক্কা হাপলগা রিটেলরবা ৩৬% হাপলগা য়েললি।

বেজলগুমবা মরমদি হোলসেল ডিলারনা ৪% কমিশন কংই। রিটেলরনা ২০% কন্তই। অদুগী মথক্তা হাপলিবা রিটেলর সোপ শিং অসিগী অরামবদি সে ওকেট শেমিবা শেরারহোলডারশিংগা মরক, অরামবনি। হায়বাদ মগা অমত্তা ওইবনা নমই। অতোপ ২ পা মকলদি জাম মধাওদা ব্যবসায় ওইজদুনা জিবিকা হিনবাশি অদুগী মরক্তগী থরিব ঐখোইগী মনিপুরদি মগু লৈতে। প্রধান অমদা থ মঙোনবী লং য়োনবী ১সু কি য়োনবী শগী থননবিকথ থোকই। মমদি ব্যবসায় অদুগী মকওইবা মচাক অদুদি কর্ত্তৃপক্ষগী থুত্ত। লৈবাননা কদাদগীসু অদুতনা মাগী ২ পরিবার থাকলিনাব

শ্রী বীরমনি সিংহ

"থাগচনবা"।

তাং ১৮। ৯। ৪৬ চং যুবরাজকৈশমথুমিংকী হুংখিল স্কুল ছুটি থারবা মতুংদা চোল মণিপুরগী ছাত্রশিংগী প্রেসে সম চৎপদা ছাত্রশিংবা নৎতবা ছাত্রশিংসু য়াওবিবগী হননা ২ থাগচনরি। মাসিনা তাকপদ চাত্র ছাত্রশিং অসি য়াবনা শিংলেন মানবৈ হায়রসি উৎলি মসিগা য়ামনা চুংতাইতবা চিরম থর ৰংলদি নৈ মাচুদি উলিট নাইদে হারবা য়াং গায়লস্কুল' জোনষ্টোনস্কুল তৌখিমাস্কুল অমসুং চুড়াচান্দ হায়স্কুল মায় অসিগী ছাত্র ছাত্রশিংনা লৈংনা য়াওবিদবা অদুগা ভলন্টিয়ারশিংনা মখোইগী মতিক চাবা থবক তৌবিদব অসিনি। ভলন্টিয়ার লিডরগী মকম মরং থংদবা এরেঞ্জমেন্ট অদুগী লোয়নী। ভলন্টিয়ারশিংনা এতিকচাবা থবক তৌবিরমংবদি করিগা অসিগী মথক্তা য়াম্না কাজপদবনি ছাত্রশিংগী ছাত্রিশিংনা মাংদা চৎপা উবদা মমাংথোপনব। পরপ পরপ তান্নরক্লে মসিদা অপোনবা অমং কয়াদি অয়াবা তানরে থাজৈশেবদি ডিসিপ্লিন নাইনগী মতা মায়ি। ভলন্টিয়ারশিংসু মাংগীদা মহেংনেথরে মতুংদা করমতৌরিবা অং করিগতা হমন. কাউবা য়েংবিখদে। মশিবু ভলন্টিয়ারগী তৌগদ মথৌরু'?

এন বিরচন্দ্র সিংহ
ক্লাস নাইন
জোনষ্টোন হায় ইংলিস স্কুল।

পাউজেল

ডাঃ লৈরেল

ওসিগী পাউজেল অসিদি আইনগী বা ওাংজপথৌরি। হাসি আইনগী মরমদা মুল থংলকলবা ইচিল ইমাও. অমসুং ইবুংগো ইবেম্মানদি কপা নোকনিংগনি। তাকরনা আইন তৌবকইবশি, অহৈ অশিং শাবা. শাদেদা হাইরুনা য়ারোৌবিগদু। ঐনা হাইনিংবা য়াকম থরা অচ হাইদোকনি.বা লৈচনা তৌজবনি। দেশ অ সর্গ বি, এল উপাধ কংবিবা ভদ্রলোক পুম্মমকমা অয়ানবা লৈরবম চ.থোকপিদুনা এবু অচুমবা লমীদি তাকপিরকউ। ঐগ মত্তা আইন অসি কনাগুমবা ইন্টেলিজেন্ট ওইবা, সাধারণ জ্ঞান নত্রগা কমনসেন্স নত্রগা মীয়োন নিংথিজনা থংবা মী অমনা, তাব তানা ইংনা থংগে হাইনা তাললবদি বি. এল মক পাশ তৌবা ওমত্রবসু হাইকেংতি আইনগী বা ওাংমরকপদা, তাবা হৈবা ওাংনরকপদা য়াহৈ ৪।৫ হাইবা ওমবা মী অমা ওইরকপা ওমই হাইনা লোজরে। আইন অসি মীয়োন নিংথিনা চৎথুবা মী অংদদি সেকসন অদুনি অদুনি সেকসন অদুগী মথম অদুনি অদুনি হাইবা ওমত্রবসু, পাজি চুমই হাইবদি হেক্তা হাইবা ওমবা পোংশক অমা ওইরকই। প্রমান অমদা হৌজক ঐখোইগী চিফ জজগী কোর্ট অসিদা ইংরেজী থরা থংজুরবা থুপা অমবু চহি ৪। ৫দং রেংশিনদুনা, থমবিরগা. থুপা অদুনা আইন অসি থগে হাইনা নিংথিজনা হোৎনরকলবদি অকবা 'লোয়ার অমা ওইবা ওমগনি হাইবশি ঐদি অাপা তৌজবা মীশক অমনি। ঐগী অটিকল অসি অমরোমদা চৎথিগদৌরে ঐগী থুংগদবা লমলোমদা চিংশিন্নরকলগে। প্রমান অমদা মনিপুর ষ্টেট অসি আই, পি, সি চন্দ্রে হাইনা লৌরাল। লৈবাক অ'সগী চৎনবা য়াবা, আই, পি. সি ওমবা অমা শেমাশ হাইরবদি শেমলকইবা আইন অদো শরুক মরি থোকনা থাইদোকপা তারে। অহানবা শরুক অদুনা থাইনা মমাংলৈবগী ওইবা থমনংবা লৈতনা লৈবাক অসিগী জাতি অমিনা চংনবীনি হাইদুনা চংনরকইনা শরুক, থবক পুম্মমক অদু আইন ওইবা তারে। কমাওদা অমনা মাগ্ন লাননা চৎলকলবদি চৎনবী শোইয়ে হাইদুনা সজাগী মজলগীমক দণ্ড পিবা তাই। থুমমগী মথক ওইনা থুপী ৫চা অমা হাই হুনা হাইজপোং পুথুবা মতুংদা কাইরবদি থুপা মমুমদা থুপী মমুমনা থুপা ২৫৲ হমগদবনি হাইবশি আইন অ'সগী মহাংদা চমবা য়াই। থুপী থাংলমগা থুপা ৫০৲ পিবা অসিমু অরুওমবনি। অদুগী মথং অসিগুবা আইন অদুগী অধ্যায় অ'মত্তবা, মনিপুর ষ্টেট দরবার হাইনা লৈমিবশিনা থৌরকপা হুমিত্তগী ওসি কাওবা

লেমহৎনা থমখিবা বিজুলেনর্ষ পুখনমক অনিবা ওইগথবনি কনাজনবা অমদা লেপনখিবা বিজুলেনর অত কাইনা চংখৎলনবা, খাঁইনগী মতুং ইননা কোর্টতা মেজিস্ট্রেটনা কমজনা থোনা ওইনা বিচার তৌরগা নংনা হাই নিংবা, মংগী চুমবা ।বা প্রমান পুথনক পিজরো হাইজনা পিহললগা, চুমবা ওমজ্রবদি দণ্ড পিরে। খুদমগী মশক ওইনা ষ্টেট দরবারনা বিজুলেনম তৌজনা থরাইগী ওইনা থমলদি লমাই ত ম'ঙলগা কাইনা চিং মচেং অমা উরোক থমথদ কনাগুমবা অমনা, থংনা ২ খংশিননদজুনা য়াম্নুরবদি দণ্ড ক লে আইন অসিগী অছব গুবা অধ্যায়না মমাংতগী অর্থখটিনা তৌখবা, মাত্ত ৫মংনা, মছুবু উপমা উপমি পিজনা শিজিননরকপ — প্রাম ন অমদা বচার অমা তৌনরকপা মতমদা মাসি মমা তৈগদ স্বর্গীয় রাজা ভুব সিংকনা খুঁডসিএল মেম্বর ওইবা মতমদা অহুম ২ তৌজনা থাগাস তৌখি নওগা দণ্ড পখি অসিনচিংবা। মাসিগ প্রিসিডেন্ট হাইনা কৌগমা থাগদ নিংথজনা থংজরে। মার গুবা অধ্যায়না এক্টিটিবল আক্ত :কোবা হাই মা সগী অধ্যায় আর্সাদ নিংথৌ তনা শিজননগনি। প্রমান অমদা তুপা অমা করগুমবা ঘটনা অমা আইনদদি কয়ি অমতা চুমবা ওমজ্রে অওগা ধর্ম মত ওইনদি মাদ পুথচুম চু জ'য়। মাসি মেজিষ্ট্রেট অওমক্সু থই অজুব, আইনদি নিপা অজুবু কনবা ওমজ্রে। দণ্ড পিরে। তুপা অজুনা আপীল মথং মথং তৌজয়কতুনা নিংথৌ য়ৌরকলবদা; নিংথৌনা ৮তাং অসিগী আইন অসি শিজ নজুনা নিপা অওবু কনবিবা ওমক অধ্যায় মরি আসগী মছুং চনবা কয়িগুমবা বিষয় অমতদা মেজিষ্ট্রেটনা কনাগুমবা মী অমতবু দণ্ড পিবা য়াদে। দণ্ড পিনিংলবদি তুপা অওবদি গাদোকখ্রগা অমুক বিষয় অদু দরবারবু লেপহললগা আইন ওইহনজুনা থমলগা মতুং া তৌরকপা মীবা দণ্ড পিগদবনি। অদুনদি আইন হাইবসিদি অনৌ অনৌবা কয়াগ হাপপা তারকই। অদি অয়িবা কয়াত ককথংপা নত্রগা শেমদোকলকত। মনিপুর ষ্টেট অসিদা চৎমরিবা আইন কনাগুবা পাথং অমমা তুপী লৈপাবী মতা অমা চেনজ।লৌবংয়ে। মতব ৎরা প নবরে তুপা অজুনা পামলকতরে। তুপী অজুবু চৎখিনবা চক্রি তৌরংলে। হাথে কপা হ্লানবদি থক কুদে। অসুম তৌনলক নবজ্জা তুপী অদু মরুক ওগলকে। মী পুখনথক হিংজবা ভাকনি অসুপ হুংওইতনা পানবা হৌনদে কাইতনা মপান চংপ্রে মপা মথানা অমুক অনি রক থিললকই। তুপা অওনা অখি অর্ষিবা রা হাই অসুম তৌনা কহংকপা তৌজয়কপদা থাইনরে, লাইগী বোংনমদগী মীয়োলথরে। তুপা অংনা হননা য়ে লজ্রে। অওাং পোকলে। মর ইবক থিজনা মতাং তুপী পোকখ। বক্ষিপুঞ্জা ভাকতরে, লাকপিজ্রে মবুং মখ্রহাবা পোনখরে মবুং মপুরানা লাকচকলনি হাইজনা কোর্টতা থমখাত থারে। কোর্টনা চৎমরী আইননি হাইজনা তুপীনা থাইমখি কয়িত্র য়ারোই ৮তাং চাকথাক তৌগদাং ১২ লেপ্প তুপা ৮ গা কাপদি হাইজনা তাখিয়ি। মাসি য়ারম্না কজরে; আইন অসি লেমলোকপিয়ু

মণ্ডমলী মতুং ইননা থোইমচা

চৌখিবা চহি ২৫ কুমমগা অসিগী মতুংদা মীওইবগী কিয়ম অসি খুনা খুনা হোংখি। পৃথিবিগী অহানবা লাল জাওগী মতুংদা ভিটেক্টার থমনা মরে পাকপু হানা থাগংলতই। থম দ লৈখাদা তাথরে। নোংচুপনা ডাখিবা জাপানা চিংলোননা কাথংলুরগা এমিং থোকপা য়েকপা কিয়াদ অদু নোংচুপলোমদা হাইখ্রে তোতা লৈরম কল প্রজানা নিংলৌ শান্তি তোংলিবা মী অদুগা "কোলাক্রেড" (মরূপ হাইন লোইনরে। হৌগংলরোইদবা অগুত মচাব মুক্তগী অনৌবা শকলেন উ পিরে। মাংস পুথনমক অসিনা উংগদি অয়িবা থাদোক্নিংলবা মৈত্তৈ ঐ থোইগীসু ৎয় তোনবা তাই। কয়িগুবা অমতানা মাত্ত খিবা য়াগ্রোই কালেনগী কনথরবা লৈপাক কুপাতজনা লৈপাকতৈ শাংলকইবা অত ৎত ই

বিধাতাগী আসলদগী মৈত্তৈ লপাতী রাজশাসনদা প্রজনা পামদবা অমতা উৎচবা ওমলক্ক্ব'ন পুং তৈতেবতু পু রৈকৃতি ইগৈ হৈতেবতু ইগৈ শকতি ভাবুক অতু কপংজবা য়াবা নত্তে। শবেন অসিগা চুংথরবা মৈতৈগী পু বনিংদা পাওগা পুরোহিত অমতুং পি ওবন চপগানা চাওনা লৈথরে। থাংবগী ওৎখে মৌয়হনা বৃক্তি বংলানা অনৌবা মতানগী থোরাংবগুমা মৈতৈ নহানা মশাগী অবাংপা তাংপা ওবা অমতুং লাওগী কনবা শিননবা হোংনবা ম খোইনা পামজবা মী থম লৈপাক য়ায়েনবা য়াওকখিলকলে। লোংচুপ অম সুং লোংপোতী য়েংলুববদি ম্যাসি খিমনথরে কইবা য়াই। মীনা কাগা কগ্না হোংনরিবনা জাং মহেনা মৈতে গা তৌনবা থবক খুঁদংদা ওইলব তা শিনবা ওংই। হৌজিক ভারতবা সীগ মখুত্তা ভারতকী শাসন তারে মনিপুরগী অবস্থাদি হেরা কনবা য়াবা নৈ, মরমদি মশাগী ভাকথে কনবা নৈংলোবদা রাজশাসনগী আইনদা অপি কপা করবুনা কয়াং ওইদু য়াও কবা কাইবসি তুদা ওইজবা কবা হৌনদে মহাজন অনৌবা ভারতবাসীনা লম অসিদা মনি খুংবা অদু ন চিন্নাও থংনবং য়াদে, কইতনা থাম জিনগা হনবা শিনবিবসু য়াই হনা হয়া উজরে মণি ' য়ামদবা মৈতৈদা থুরম উংপা ভাকানি মাসুমনা মপাঙ্কা য়াতচিনগদবা উরকুবা অসিদা মৈতৈ খুদিংকনা কয়ম কৌগংগে হাইবা য়াখন তৌকম থোক্রে। প্রজাশিংনা কত্ত য়কপা মী খংনা পুবা আইনসভা অমা দী॰লদি মকদ খুদিংদা তৌরিবা অসিগুমলজনা লৈপাক অসিদমু চয়াং নবদা মতম মাংখিবা তাই। হয়াওবা হৈদনজুনা তোবনি, মৈতৈগাদি চাওথং নবা মতম য়ামনা হংলদে। চহি ৫০ ৫০ য়োমগী মহংদা লৈপাক অসিগী মুঁড়িং খুঁলবো য়ামবা অমুক মুক থো কই। হন্দকী থোকথরিবা লাল অসিগী মতুংদা ওবা থৈ খুনা কংজরিবা মতম অসিদা মথকনী থৌয়াত অসি তৌবনা চংই লাম থেক লোইরগা। বিলাংখরচিংব অচৌ অচৌবা মকমদা অংৌবা ন ঙাগী অনৌবা শান্তং হোংনরে মৈটৈ হি অনৌবম অয়িবা চৎনত্রবা ই চাদা ওজিনগনি হোংনরব দি চাং নপা লৈরোই এমতমতা মাংখিবা অমতুং শান্ত লৈতনা তাই।

ঐগী ইয়াইবক অসি ঐনা লেম কয়া ও ই হাইনা মী পুনমমকনা থজ্রে য়ারকপনা অংসু কোতাং চৎপশী উংকপনা ওতানা ংকপা পাত অমতুং সাহিত্যনা মহাগী নৌরবা ঐ অদুদা কননবা কাপশিজ্জু মীওইবগী থৌয়াং কাইবসি পুকনংগী মখা পোম্ম নি পুকনিংগী হাত্যদা অটো। য়োমগী ইথোং কনথদুযু য়াই, কনহদখবম য়াং মাসি পুমনমক অসি মুননা শকুকবদি হৌজিক শাসনগী চুপদি পার্টিনিংবা অওমবনা মতংগী ইয়াং মতুংজনা শিনবিজনা প্রজানা থাগংচরকপা নৈন পুবা আইনসভা অসি য়াংবা মথে থুনা লেপবিরবদি জাংকী অকবা ওইগনি নিংতৈ।

মনিপুর প্রজা সঙ্ঘগী মিটিং — য়াজি।

১নবা রিজোঃ মণিপুর প্রজা সঙ্ঘগী ১। ২। ৪৬ ইং রিজো : পাত না থমজরে। সভা অসিনা চপ মাননরে। য়ানরে আইন সভা লেখনী থোকনা থুবা মা য়াথং তাকপিয়ু হাই না শ্রীযুং মহারাজদা অমুককা হয়া হজংপা লেপনরে।

২ শুবা : — রি.তাং য়াংজিং থক্তি দা লমিগী সীনা মাজনার স্কুল অমা লিংথংলে থা ৮ শুরে/ মাইকৈ অসিদা হাইনার স্কুল অমতা লৈতে। মমুম অসিনা শিক্ষদা থত্তরিবা লম অসিগী শিক্ষা উন্নতিগী ৎক স্কুল ষ্টেটনা গ্রান্ট পিবিয়ু হায়না হাজবালেপনরে।

৩ শুবা রিজো : — মণিপুর পাপলার দা শুরাই ইস্কাল থায়না পোংক ম ননবা অসগী ময়বগী সভাসিনা নিক্ক্য তৌই। পুং থাও ইস্কালগা পোংকং মানবা, মডিক চান ওজনবা পিবিয়ু চিনি অমতুং লং ইকং কদে কংলবয়ু কী কংনবা পিবিয় হয়নাষ্টেট দরবারগী প্রেসিডেন্ট সাহেবতা হায়জবা লেপনরে।

৪ শুবা : — রিজোলিউসন ৪ — পংকা লৌগা নিমনা থাইদবনা পাং চাবনা মাগী তা লৌবা চংয়ে হায়বগী মমত্তা লোপগা পাংকী পটাবাগা থংনবা আসুং কেশ কাওবা তৌনবনা লম অসিগী অশান্তি অমা ওইরে। খুননা লৌগী দমক্তা তৌজবা থেও নিলাম তৌবিবনা ঈগিং মতম চানা থাদোক থজিন য়ামবনা লৌদা য়ায়া শোক্ত লো উবশিং য়ায়না বংরে। লৈবাক্তী অ অবার কোকনবা লোগাপাংকা সিমানা লেপ পিয়ু। পাংকোক ককপা য়বা লৈপক না তৌজব লৌগো পাংকোক কক পিয়ু হায়না হাইনা ষ্টেট সরকারদা কইবা লেপনরে।

৫ বা জিং : — য়াংজিং লমদিং য়াংবন কখেয়াখো ক, লমুকর, অলোকপম হৈরোক, য়াংজিং লাই ইস্কল থাও খোকতা প্রজাসঙ্ঘগী শাখা কমিটি থম্বা থম্বাদা ইয়িবী ভদ্রলোকশিংবু চহি অ মগী থবক পুনবা কমিটিগী মেম্বর হ পলে।

য়াংজিং :

শ্রী যুক্ত লৈশাংলেম কমলসিংহ।
২। " অথোকময়ম কমনিসিং লে
৩ ।
৪। " লাইরেল লাকপম তোমসিংহ
৫। " নোংথোম্বম বাবুসিংহ
৬। " খুরাকপম মেঘাজাওসিং
৭। " কিজম তেম্পে কসিংহ।
৮। " লাওয়েম থমবাল মবিকসিংহ।
৯। " মংবং ইংা চাসিংহ
১০। " অয়থম তে পামাসিংহ।
১১। " অথিরম টোনো শগা।
১২। " অহোংশাংবম থে ম সিংহ।

মথমদা ইয়িবা মাত্তী মতৌ লৈরম। কমিটি সভনা অনৌবা কমিটি ওইনা লৌরে। মথাদা নিং ইয়িবা ভদ্রলোক

থাঙ্গলোক ১ শ্রীযুক্ত টোইবা লৈশ খোইবা ওসিংহ সভাপতি
২। , লাইশ্রম অমুজাওসিংহ সেক্রেটারি
৩। , লাইশ্রম তোম্বাসিংহ

সজাই ইকম — ১। মঃ শৈলেমিক্রো সভাপতি
২। মঃ অমাদাদি সেক্রেটারি

চরোক — ১ শ্রীযুক্ত সাইখোম য়াইমাসিংহ সভাপতি
২। , খুন্দো বম অভিরমসিংহ সেক্রেটারি

অংগোকপম - ১। শ্রীযুক্ত শংগোলশেম অন্তাংকলসিং সভাপতি
২। মৈরেনম থম্বৌচাসিংহ সেক্রেটারি
৩। ওইনাম মঙ্গোল সং

শপুংথম — ১। শ্রীযুক্ত থোইদোংবম তোমাসিংহ সভাপতি
২। মাইবম অমুয়াইমাসিংহ সেক্রেটারি

কাংলেনথেকি — ১। শ্রীযুক্ত উদম তোনপাজোসিং সভাপতি
২। " লাইশ্রম লালাসিংহ সেক্রেটারি

য়াংবন— ১। শ্রীযুক্ত অথোকপম থঙ্গোমচাসিংহ সভাপতি
২। " নিংথৌজম তোমালসিং সেক্রেটারি

লমদিং—১। শ্রীযুক্ত অহোংশাংবম পাকচাওসিংহ সভাপতি
২। , কংয়ম য়াইমাসিংহ সেক্রেটারি
৩। , ইবম অঙোসিংহ
৪। , থোকচোম কাংলেসিংহ

মাইকৈ অসিগী মনিপুর বাওনী কোংনা ভলান্টিয়ার দল অমা লেপগী রা কৌদোকপা নওরোন পুথনম ভলান্টিয়ার ওইগনি হায়না লেপনখে মথাদা মিং ইয়িবা ভদ্রলোক অমিবু ভলান্টিয়ার লিডার কপতুনা শ্রীযুক্ত সভাপতিনা মান্য দান তৌজনা বরন তৌখি।

১। শ্রীযুক্ত তৌয়াংবম গোপাইসিং
২। অধিক।

৬ শুবা রিজো : -

মনিপুর মা র লাকপা সভা অসিনা পাংদে দপশনন, চখিবা থোলৌ তাং বা য়াওা কাওরে অতুগুবা মারবাবিশিং লাকবমু ঐখোইগী আলোনব চোক শই হায়না লেপনরে। মতুদা সভাপতিনা মেগপ অপুনবা শান্তিনা চংনবা মময়াগী অপুনবা শক্তিনা লৈপাক দবি পুখনমক কংগংবনি হায়না উপদেশ পিবিখি 'বন্দে মাতরম' বন্দে মনিপুর, মতরম, 'ইনকলাব জিন্দাবাদ মনিপুর প্রজা মথে জিন্দাবাদ লাওজনা সভা লেইখি।

সহী শ্রীভূবনসিংহ রাজকুমার

ভাগ্যবতী ললিত কলা পত্রিকা — জগোই মভাংগী নমুনা।

চতুর্ধাভিনয়ম্ ঃ—

(মোল থাকপা)

মোলমা জগোইগী মপু ওইবা (চংগোইবা) শরুকনি। মোল থোকপা মসি মখল মরিনি। হকচাংগী মা চিননা হাকনা মা. মাহুথম লকোনা অমা অমগু সাত্বিক (হকচাংদ থোরকপা মওং পুকনিংনা ওইচরবা) অম, মাখোড় মরি অসিনি।

(আঙ্গিকাভিনয়ঃ)

তত্র আঙ্গিকোহঙ্গৈর্নিদর্শিতঃ।

(হকচাংনা পুথোকপা মোল)

হকচাংগী মচা মচা (মঙং মঙ) না উংপা অর্থ (মোল) বু আঙ্গিকাভিনয় (হকচাংন উংপা অর্থ — মোল) কৌই।

(বাচিকাভিনয়ঃ)

বাচা বিরচিতঃ কাব্য নাটকাদিষু বাচিকঃ ॥ ৪০ ॥

(চহী অর্থবু থাকপা)

কাব্য (তানবা য়ারোং) নাটক (এংনবা কাব্য লোল) পুম্বা তা থনা লোংবাবু বাচিকাভিনয় চিননা অর্থবু থোকপা কৌই।

(আহার্য্যাভিনয়ঃ)

আহার্য্যো হার কেয়ূরবেষাদিভিরলংকৃতিঃ।

লিক, খুজিনাচিংবনা অমসুং লং ইরবা লৈত্তোনা পথ উংপবু আহার্য্য অভিনয় কৌই।

(সাত্বিকাভিনয়ঃ)

সাত্বিকঃ সাত্বিকৈর্ভাবৈর্ভাবজ্ঞেন বিভাবিতঃ ॥ ৪১ ॥
স্তম্ভঃ স্বেদাম্বু রোমাঞ্চঃ স্বরভঙ্গোহথবেপথুঃ।
বৈবর্ণ্যমশ্রু প্রলয় ইত্যষ্টৌ সাত্বিকাঃ স্মৃতাঃ ॥ ৪২ ॥

ভাব থংবনা সাত্বিক ভাবনা থোকহনববু সাত্বিক অভিনয় কৌই। সাত্বিক ভাব কৌরিদি মগী গুমনা লেংদত্তনা লৈবা, হকচাংদা হুমাং সোরকপা, ভুজুংবা, স্বর হোনবা কাইরকপা, থক ২ নিকপা, কূচু ওন্নবপা মিংত পি তাবা, অমসুং মমু নিপান অসিনি।

(আঙ্গিকাভিনয় সাধনানি।)

আঙ্গিকোহঙ্গ প্রত্যঙ্গোপাঙ্গৈ স্তথাপ্রকাশতে।

(আঙ্গিক অভিনয় থোকহনবা)

হকচাংগী অঙ্গ, প্রত্যঙ্গ অমসুং উপাঙ্গ মখল অহুম চোকনা আঙ্গিক অভিনয় থোকই

(অঙ্গানি)

অঙ্গান্যত্র শিরো হস্তৌ বক্ষঃ পার্শ্বৌকটিতটৌ ॥ ৪৩ ॥
পাদাবিতি ষডুক্তানি গ্রীবামপ্যপরে জগুঃ।

(অঙ্গ মরাং)

কোক, খুৎ অনি, থবাক, নাক অনি, খ্বাং অমসুং খোং অনি, মখল তরুক অসিবু অঙ্গ কৌই।

(প্রত্যঙ্গানি।)

প্রত্যঙ্গান্যত্র চ স্কন্ধৌ বাহু পৃষ্ঠং তথোদরম্ ॥ ৪৪ ॥
উরু জঙ্ঘে ষড়িত্যাহুরপরে মণিবন্ধকৌ।
জানুনী কুর্পরা বেতৎ ত্রয়মপ্যধিকং জগুঃ ৪৫ ॥

(প্রত্যঙ্গানি)

লোং, পাম্বে, নকল, পুক, ফৈ, অমসুং খুবোক অকক অসিবু প্রত্যঙ্গ কৌই বনাগুম সিংবু খুজোং থকউ, অমসুং খুযিং—খুনিং অহুম অসিবু প্রত্যঙ্গদা য়াওই হায়।

(উপাঙ্গানি)

ছাত্র লিশিং অহুম মরিগী প্রোসেশন ইম্ফাল তাং— ১৮ থুমশকৈশ নুমিৎকী মুংথিল মণিপুর ছাত্রসম্মিলনীগী খোংথাং অমগা

তারিখ ১৮ থুমশকৈশ নুমিৎকী নুমিদাং ৪ টায় পুং ২রি তাবদা মণিপুর ছাত্র ফেডারেসননা মতম চংনা শিন্নাঙরকপগী মতি ওইনা ইম্ফাল্লা লৈরিবা স্কুল পুম্নমক্কী ওইবা অচৌবা মপুংফাবা ছাত্রশিংগী প্রোসেশন অমা চৎখি। চৎখিবা ছাত্রশিংগী প্রোসেশন অসু ছাত্র চাংহুনা লৈরিবা পুম্নমক্কী ওইনা তৌখি। মসুদা তমগী হুন্ত্র ছাত্রী, চৌগী ইচিন ইনাও ছাত্রশিং মরাম অদুগা হিন্দু ধর্ম্ম অমসুং ইসলাম অমা খৃষ্টধর্ম্ম চংপা ছাত্র শুন য়াওখি। চৎখিবা প্রোসেশন অসু ছাত্রশিংগী মখল মখা অমাম্বা চৌজিকমক য়ামনা কান্নরিবা অয়াংপা (ভেনাগুস) অসু অথরিটিশিংনা মরু হেননা মুননা য়াথল তৌখিমনা অমগা মাত্তুংদগীসু হেননা মণিপুরগী লরিবা সম্প্রদায় মচামনা পুনবা; পথ লকনা ছাত্রশিংগী অয়াং অপা লৈরিবশিংসি হেক য়বমথৈ থুনা কোক্লনবা তে হেনজবদা সহানুভূতি পিবিরকবা উপায় অমা ওইখি। চৌজিকমক ছাত্রশিংনা হায়জারগা অয়াংপাশিংগী মশিং কামনা থাম্মী। অহুম ওই নমক থোকদোকনা মরু ওইবদি—

(১) ইচান হানবদা চৌজিক ইম্ফালদা লৈরিগা চাইকুল মতামদা লোনরিবা স্কুল ফা অসি আসামগী অতৈ স্কুলগী মাপি লাকপ্নুনা কালকতা ইউনিভারসিটিগী অতৈ বেঙ্গলগী মদম মফমদা লৈরিবা অমতগসু অদুক য়ামনা লোই হায়বা তাদে। মরেকী হায়রকবদি— বেঙ্গলগী আসামদনা থাইদোকনা মণিপুরদনা হেংনবা লৈবগী মমকটি ফনা য়ামনা তনুন চৎই। অদুগী মথক্তা ষ্টেটকী স্কুলমক্তংসু চৌজিক মণিপুরগী লৈরিবা মরামগী থরা চম্নবা ফিবম অসিগী ওইনা থম্লুবদি ফীস য়ারিবমথৈ তম্নবগা অদুগা অতৈ অতৈ ছাত্রগী মশাং য়াথংলকবা পুক্নিং সোগৎলিনবা লোংম বিপদননি। লাল তৌরকবগী পেশাগী মমল হৎখিবা অসি অতৈ ২ থংনা লৈরিবা প্রব্লেমশিং অসিগী মনা হোক্লনি। মসিনা থম্মোকনা থকপা য়ুবা থনকম থাওজবা অমী ওইরে। স্কুলগী শিন্নাংবিরিবা অসিসু অতৈ মফমগী কবিসু হেম তোক থোংতোকলসু নত্তে চাইবা মুদ্রা থুগনরিব পোংনি। ১থ ২

ভাগ্যবতী পত্রিকা

Bhagyavati Patrika

১বা(চহি)ভাগ্যবতী পত্রিকা, লৈপাকপোকপা২৯নি পানবা লাংবন মণিপুর১১৫৮ 24SEPTEMBER1946.(মশাং১৩৪

NOTICE

WANTED a **Manager** for. M, C Y, T, Syndicate, on a Salary of Rs 150/- per mensem, minimum educational qualification being **I. A.**

The last date of application will be 27th Sept 46

Managing Director,
The M C Y T Syndicate.
21—9—46.

নোটিশ।

অসিনা মরম ওইংনা খংহল্লি মরমদি ষ্টেটনা য়াম্না ফবা ১লা নং ফো লৌগনি। কনাগুম্বা মশানা লৌউবা মী নত্রগা লৌ মপুংশিংনা ষ্টেটকী গুদামদা ফে পীরবদা ষ্টেটনা সের ৪০ না শাবা মল্দা লুপা ২৮/০ দা পিগনি।

লৌউবা মী নত্রগা লৌ মপুংশিংনা ষ্টেটকী গুদাম্মক্তদা ফোতম্বা য়াগনি নত্রগা মরাইদা মল্দা লুপা ২॥৶০ দা য়াল্লু হায়দুনা ষ্টেটনা হংপা এজেন্টশিংদা ফো পীবা য়াগনি

ফো তাইবগী মরম মশা মশানা তাইনিংবা তাইনিংদবগী মতুংইন্না তৌগদবনি। তৌইগুম্বং লৌরিবা অমম্বং তাইরিবা ফৌতুনা ষ্টেটকী মপাংন্দা থাদোকথিনবগীদমক্তা নত্রবদি অমগা অমগা ফো পিথোক পিশিন তৌনবদা থোইদোকপা অথিংবা লৈতে

কনাগুম্বা মী অমনা মণ য়াখেদগী হেন্না করি-গুম্বা নুমিৎ অমদা পীগে হায়না নিংলবদি এম, এম, অফিসগী ফৌগী সুপারভাইজারদা মাংজৌননা থংহনগদবনি।

নোটিশ অসিনা থংহল্লিবা মমল অসি সেপ্টেঃ তাং ১৫।৯।৪৬ ইংদগী জানুয়ারীগী তাং ১।১।৪৭ ইং ফাওবা লৈগনি। ইতি

Head Clerk. M. M.
For, প্রেসিডেন্ট মনিপুর ষ্টেট দরবার।



তাং ২৫।৯।৪৬ ইং য়ুমশাকৈশা

রূপমহলদা

পঞ্জাব কেশরী

রণজিৎসিংহ

(ঐতিহাসিক নাটক)

ডিবেট

তাং ৩০—৯—৪৬ ইং নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুং-থিল পুং৬ তাবদা মণিপুর ষ্টুডেন্টস কল্চরেল এসো সিয়সন্না ওরগেনাইজ তৌদুনা ছাত্রশিংগী ডিবেট অমা তৌগদৌরি। ডিবেট অসিদা ছাত্রশিং অমসুং ভদ্রলোকশিংনা উৎসাহ পীবিরগনি অমসুং পুক্নিংগী মোৎ ফোংদোকপীরগনি হায়না আশা তৌজরি।

ডিবেটকী বিষয়ঃ 'হাউসকী মোংতা মৈতেলোন মৈতৈ ময়েকনা ইবনা ফরে।'

ডিবেট তৌফম আদ্রয়ান হেংল

ডিবেট য়াওবিনিবা ছাত্রশিংনা মাগী মাগী য়াওগদবা সাইদকা লোইননা তাং২৯।৯।৪৬ নোংমাইজিং ফাওবগী মমুংদা সেক্রেটারী রাইঃ বীরচন্দ্র সিং, ক্লাস টেন জোনষ্টন স্কুল, গী মফমদা মী পিথংপিরকনবা নিশিংজরি।

শ্রীগজেন্দ্র সিংহ
মঃ ছাঃ কঃ এসোসিয়েসন
তাং ১২-৯—৪৬ইং

এম, ভি, ইউ

মায়া সংসার'

তাং ২৫।৯।৪৬ য়ুমশকৈশ

নুমিদাং পুং ৮

মনিপুর VISITOR ফোরেনার্স

ভদ্রলোকশিংনা

য়েংবিগে তাকপিবা মতুং ইন্না

উচ্চবনি।

Leadin Actresses— Tembi, Manbi

UMBRELLAS AT Control Rate
Available from. 24—9—46

ছাটিন কণ্ট্রোল রেটতা

তাং ২৪—৯—৪৬ তগী ফংলগনি।

TH. GOKUL SINGH & BROS
Singjamei Bazar

সম্পাদক—শ্রীমধুসিং, অমসুং—শ্রীইবোমচাসিংহ মুদ্রনালয়—চূড়াচান্দ প্রিন্টিং ওর্য়াকস, ইম্ফাল মণিপুর ষ্টেট স্বাধিকারী অমসুং পরিচালক—প্রেস প্রোপাইটার।

ওঁ

মধা কৃতসমঠ্ ত্রয় পরং ত্রয় নরাকৃতি।
শ্রীকৃষ্ণাখ্য পরং ধাম জগদ্ধাম নমামি তৎ।

—ঃজয় হিন্দঃ—

দৈনিক

সম্পাদকীয়

২৪ সেপ্তেম্বর ১৯৪৬ লৈপাকপোকপা

লাইরিক মরেক চৎপগী কাননবা — লোন থ'বা

লাইরিক মরেক চৎপা ক.প্রবদি লোন হৈবনি, ইংগ্রেজ অসিদু ইবা হৈবগা, মায়ু মশক থই মায়ু মশক থংলগা মায় শাগে অতোপপদু মশক থই। ঐগী ইয়েন মুননা হৈবিবা মথৈ অতোপপা লোনদু মুননা থঙবা মাদে অমুকন্দু অতোপপা লোনবু থাদ'তা ওইরবদু থঙ'ত্রবা মথৈ ইয়োন চাননা থঙা মরে অহুমা উগা মকগা শুমনা ভংনা ২ চংগ মরম অসিনা হোৎপদগীনা ইয়োনগা মী। লোন অমগা ভংনা ২ ভংনা সধারণ শিক্ষাগ মওং অমা ওইনরক'ন মাস ইয়োন পিকপা ঐঃথাইনদি তৌববা মাদবানি। অদুনা ঐখোয়না মৈতৈ ময়েক অতোপপা লোন অমা থবা মায়োই।

খুদম :—

মঃ— কৃষ্ণনা কংস হাৎখি।
হিঃ— কৃষ্ণনে কংসকো মারা।
ইং:—Krisna Kills Komsa,

ভোইস চেঞ্জলগা।

মঃ— কৃষ্ণনা হাৎপা কংসনি।
হিঃ— কংস কৃষ্ণসে মারা গয়া।
ইং:— Komsa is Killd by Krisna

ঐখোইনা ইয়োনবু এ শিক্ষবনা মিঃ পেটিগ্রু সাহেবনা মৈতৈয়োনবু পেসিত তোইস লৈতে হায়জিনবা থাজনরিবা অসিনি। মথং ২

——(: ,:) ——

ভারতবর্ষগা পাউ।

তাং ২২ | ৯ | ৪৬ ই

হিন্দুশিংগী চহি থিবগী পথাপ মতুং ইননা ঙসি মহাত্মা গান্ধী চহি ৭৮ চং লে থসিগীদমক ভারতবর্ষগী মকম অ মাঙদা গান্ধী জয়ন্তী বর্ত্ত পালন তৌখি।

২। ঙসি হুংখিল দিল্লীগী ভঙ্গি কোলোনীদা কংগ্রেস বার্কিং কমিটি কখি। বার্কিং কমিটিগী মেম্বরশিং ১মু খোইরেইনা যাওন তৌবা মী শিংগা লোইননা মহাত্মা গান্ধীস্থ কমিটি অদু কপদা যাওখি। বড়লাটনা কংগ্রেস প্রেসিডেন্টতা বার্তন তৌহনা ইন্টরিম নেসনেল গোভর্ণমেন্ট শেমখিবা অসি [illegible] হায়বদুদা মালেমগী খুদিংগী ইন্টরিম গোভর্ণমেন্ট হুসিদা হাঙখবা মী-গা কংগ্রেস বার্কিং কমিটিগী মেম্বর ওইরবা কমিটি কাইবা লেতে হায়বা মিতোজুসনু অমি অসি লেপখি।

৩। আলোচনাবাফত্তা হাংনা থিজবা কারবতা তোকত্রে। বোংথা হুমিং হুব নি হাংনা থিজবা লেপলুবগা ঙসি মী ১ং শোকপে মঙগী মহুংগা মী ১-শিয়ে।

৪। থা থংবা বিহারগী শরক্কা জিলাশিংদা চাওবনা পখান শিংবা মকমদা ম ১৩ মরোং মায়া শোক্রে। মিদনাপুরগী শিংবা বাজন লেপকা মকম থয়'গ্র জিলাশিং থুবনা মাইং মরোং থাবা লম এক্রর লৌশিং ২ মাংলে। জিলাশিং চাওবদগী অরাবা তাবা মী শিংগা চাবা থকপা বাঙন। গোভর্ণমেন্টনা মায়া শু হোৎনর অদুগা মকম থৱরা কনের। তৌনরকপ দুই মহু খি নবগাদম ও কনেরা হনো ফুলেশন তৌহনা থিংনবা লাকনার।

৫। লান মাঙকনা মীগা কমনবা মরমদা শিনাবনবা দমক ভারত গোবর্ণ মেন্টনা বোথাই প্রদেশতা লুপা লাখ ৫০ শিরকনে, দেশ অসি কমবনা শাঁজিননবগে হাইবা মরমদা শিন লংনবগাদমক বোথাইদা গোভর্ণর ১মু প্রধান মন্ত্রীনাংবা মাঙনা কনিটি অমা শেমগ্রে।

৬। ভারতকী কনষ্টীটুয়েন্ট এসেম্বলিদা যাওবদা মতিক চাবা মকম ওইনবা শাকনংতাগী ষ্টেটশিং অমসুং রেসপোনাসবল গোভর্ণমেন্ট থুবা লেমগংদু চাদবা পণ্ডিত জবাহরলাল নে হৰুনা ষ্টেটশিং অদুগী নিংহৌশিংদা খুঙহনকপা অদুগী মরমদা শাকনাঙা-দা লৈবা ষ্টেটশিংগী নিংহোলশিংনা ঙাস পুনাদা মিটিং অমা তৌহনা থননখি।

৭। ভারতকী নেসনেল বার এক্স সেমী অমা শিংবা লোর্ড ওয়েভল লেকনা হোরকনা শেমগৎলকপা অসি বু থাগৎলে। লানগী মতৌ মশিং তথদা চাওখৎনবা লাক্ন' অসনা ক্ষাণনা অংতাপপা লৈবকপু অম হৌ হুনা লৈথোকনবা, মাখা নত্তে মসি না নহা ওইবা ভরত মতানা লান তমহুনা মীহৈবাকনা ভারত লোগে হোংনরকপদা ডাক-থাকপা ওমা খোয়াং ডেবজান হৰন শ্রীযুক্ত খামর নাথ ঝানা কোবোকখি। একহেনী অ'সনা গুশিং ইশ অসু চেঙ লানগী মথা অহুম অ'সগী অ হসায় ৬৬০ চাহ চহিদা থোকহনগনি হাইনা কোংদোকখি।

৮। আও দেন ওয়া যম্মাগী প্রজাশিংগী নেতা অউনা বর্মা গোবর্ণরগা উনখি, বর্মাদমু তাঙবা তৌরবা ইনটেরিম গোভর্ণমেন্ট কেবিনেট কুমা শেমহনা প্রজাদা পাজব পিয়ু হায়বগী মরম থমখি, কবোদা লৈবা ভারতকী মী মথৈনা রেঙ্গুনা মিটিং অমা তৌখি অমসু ভারতবাসি পুম মকম্বু করোশিংনা থজিবা রাজনীতিগী মাথন অহুনা শোগৎনবা থবক তৌগদবনি

গ্রন্থকার মিটিং [illegible] লৈখি

—[illegible]—

পাউকোল

ডাঃ লৈরেল

নিয়ম থরা থম্বাই পুম্নমক্কী মথক্তা চৎপা মানবা শেমনপা নয়ম অদু চৎপা গী মথৈ অচ মওম অদুগী মতুংদা জাতি নেংদ) অমা কৌকয়ে, জাতি অহুনা ভারিবা শম অংবুনা ষ্টেট অগা কেমরে, ষ্টেট অদুগী মহুথা লৈরি বা সম্পত্তি অপুখত্ত জাতি অদুগী সম্পত্তি নি, সম্পত্তি অপুখত্তবু পবলিক প্রোপার্টি কৌই, হজিক ষ্টেট অতনা চাওথংলহুনা মতমগী চপচাবা শাপনদা লাকল দি পার্ক প্রোপার্টি অদু মী থম্বাই পুমংকনা মতৌ কয়া তৌয়গা আইনগী মথক্তা চপথাজনা তোগ তৌবা যাগাগে হায়বত্ত রেঙহনা মহুগী ভুত ইন্না শিঙহই, প্রধান মতা অমদা ঐখোয়গী লবাক মনিপুর ষ্টেট অসিগা যা থননসি মনিপুর ষ্টেট আসদা হোয়িবা উ অহুগা পাং ওয়েন নচিংবদা লৈরিবা ঙা অস প্রজা ঐখোয় অপুখগী সম্পত্তন। মসি মতৌ কয়ম তৌরগা প্রজা অপুখবা চপ মাননা উ অমসু ঙা আস তোগ তৌবা যাগদবগে হায়নসি থননরকই। থননরকপদা মীমাংসা অ'স তৌরে।

উ অসি অকত অকং অথিংবা লৈ তনা প'থান মাননবাদি অচগা ঙাস্থ অকন অকন পকা কাননবদি থুংক নবা মপাজন লেবা নোমবা কথা অনকপা মীতন খুদোং চাবা পুমন মক তৌথিনা তই। অশোনবা অয়া পপদা লৈবা মীদ করিমতা কংহৌদ বা ভাবে। অঙনা পোংশি অসিদি মীওইবা ঐখোইনা হিংহনা পানবদা চংদবা মাদবা পোংনি। অও ওইররি কায় তৌশগে হাইহনা থননবদা যা হন অমা শসনবা থোকহনলকলে। মাতদি - পোং শ, অসি পবলিককী সম্পত্তনি। অহুনা ঐখোই অপুখবা (প্রজা অপুখবা) কনা অংতা ঙা লেমনা কাহুনা চায়গথাশ উসু লেম না মানহুনা লোনরগথশি। ঐখোই অপুখবা ঐ.খাইগী পোং অসি লৈনরসি ঐ.থাহ অপুখবন। পোং অসি লৈবনা শিশিনপ্রবা মখন লেন অদো (মাহুসু পবলিক ঐখোইগী সম্পত্তনি) ঐ খোই থম্বাই অপুখবগী ওইবা লেপ অসিগী পবলিককী থবকতা শ'জনন মসমু হাইনা চংনরকপনি। মাসিদা তৌ শিংলিবা অমসু ঙানিংবা মাকমনি — পাং অমং অজোল অসি থম্বাইগী ওইনা মোনরবা নিলাম তৌরকপদা ঐখোই প্রজাগী মথকতগী কনাগুমবা থমনা চোংথোকহুনা পোংকী মপু ওই রিবা অমসুং পোং অদু ঐখোইনা অহক লৈহুনা চাগদোয়িবা প্রজা ঐখোইদা ইকং হংবা তৌদনা কারগুমবা অমতা তাকুমবা লৈতমা মখুমদা মখুমা

মথং লমাই অহুম কলম অনিদা

ছাত্র লিশিং অহুম মরিগী প্রোসেশন ইম্ফাল তাং-১৮ যুমশকৈশ নুমিৎকী নুংথিল মণিপুর ছাত্রসন্মিলনীগী খোংথাং অমগা

ভানগী মথং

(২) অনিশুবদা চীংবগী লাকতুনা ইম্ফালগা শাইরিকতথা লাকনরিবা চীংগী ইচিন ইনাও মহুপা মথাপ খুম্নাপশগ্রগী—লাকতুনা ইম্ফাল মরোল ফুল মরমরমু পুননা লৈবা মকম অসিদা লাকতুনা লৈরিবা হায়বদি যুম থাদোকতুনা শাপনা যুং লৈজ মবা মকমদা মথৈ তথা লাকচরিবা ত'মনরিবা ছত্র, tellow students) ইচিন ইনাওশিংগী লৈকম লৈতবা অসি থাঙহৈত্রবা অয়াবা অদুন ঐ খোইনা মোয়িবা থাংবমক লৈজদবনগা "থাওবমকসু পহেংবম লৈ" (patie noe has got limits) হায়নদি বহু যৌরয়োক নিজয়ে। মসিগী মরম অসিদা শঙবাশিংগী থুং অমসু, প রিকী সংযুক্ত নিজরি।

৩। অহুনগুবদা ছাত্র হায়বসিদি পুনাসগী হায়বগুমদবা মঙ্গ ওইগ্রবা মী ওইননবা লেবা মহৌনি। মসিদা থফিক্কা কৈদোক কৈজন তৌবা মা বা মতম নত্তে। অওইবমক চাবা থক পা তুথা কাউবা ভুমলগতা ছাত্র ওইবগ মাত্তক চায় হায়না লোনদি থান ছাত্রগী লাইরিক পাবতবা "ভপঃ" নি হায়রিবানি। অহুম হায়না থমরিবা অসিদা হুমিদাংদা হেরোসিম থাট থায়বমক্তা লৈজত্রবদি ছাত্রশিংগী অয়াবা অদু থাজকং হুহিবিবদা লেং-ইনা থঙবিরদবনি। হ মদাং লাইরিক ইংতৌ তৌদনা অমুক থয়দং হেক মপায়গা ছাত্র ওইবা মাহনবিগনৌরি মাজে। থয়া থজিকং অঙবশিংনা হেংশিনবিবদা থবক অনুমবা থোকক লৌমান অহুবু অমুকতা হননা মাব দি হননা হেংবিমককনি হায়বগ অ শা কাওবা মী শামজমকহেরে হায় জবা অপুখবসু কবি অংতা কাজব যরোইদম খংজদবে ছাত্র হায়বাসগী তুংদা ওইরকপা মাবা অহুগা ওইর ককহোরিবা অপুখবদো (possibilities & impossibilities of course) হেংবিরগা অমুকগা থহাবিবা অঙবব শিংদা লউবর।

৪। মণিপুর ছাত্র সম্মিলনীগী ওইনা লাউথিবা অহুদা ছাত্র পুমনমকী ওই বা চীংগ তথগ পুখনমককী ওইবা সম্মিলনীনা ঐখোইগী হেক লৈজরিব ছত্র পুমনমক তিজননা থবক তৌ মিননবা লাইরিক ওববগী হোহুবা চাসিন থকমিননবা যৌবা কাওবা হা য়গখি। ময়াম পুমমক অমতা ওইবগী কাননবা মও মতৌ অয়ে পা থবকী মতুং ইননা থবক তৌয়গা ওইবা (imprtance of an orgauised and disciplined body) অদি ঐখোই পুমমক থঙনরিবা তাকনি। মথং ২

পাওখুম।

পুকচেল চ'পবা ডাঃ লৈরেন সিংহ মনিপুর প্রজাগারদমক মুমনা থাখল তৌবা মী অমনি থংই। চহি ৩।৪ চিংদা লৈবা ছাত্র মতাশিংগী লুচিংবিবা মী অমা ওইরকনি। চিংগীদমক থাং-গৈ শেংনা থাখল তৌবা মী অমনিদি থাজরমই। তাং ১৪।৯।৪৬ ইংগী ভাগ্যবতী পত্রিকা মুক্তা পাজরে। (ক) "চিংগী নিংথৌ, খুলাকপা, চিঙ্গপাং লাকপনচিংবা" অপাওবা কবি অনৌবা হৈখিরোই। (খ) অহু চিংদা "নাইরিক লাইগুম ওনবা নংগ্রপা ক্রিশ্চিয়ান ধর্ম লৌরবা" কাংব নাদ তুমমিনরা চা-থকপা অমসুং তুমবা থরা থাগদরি।

ভদ্রলোক অসিনা হায়বদা তিউমার অসিনা অচুবা থেকলবদি চিঙগী ইচিন ইনাওশাংবু মাগী মাগী মরক অমসুং লম থাদোকউ হায়বা হুকুম কংজরে। "মীগী মখল তাংউগদবা" অসিনা চিংগী (খ) ক্লাশদা তম্বা মীশিংগী অরুবা থাংং অমা ওইর। অহু কবিসু হৈরেবা চিংগী মীনা "হমনা মুমনা থননদনা পাক চেক" তৌরিবা অসিনা ভদ্রলোককী হুকুম কংবা অসিনদি চিং মী নিকতুনা লৈরি।

ভারতবর্ষনা ইনদিপেনডেনশ কংগববা অসিদি কনাগুবা মরাইবক কবা জাতি অমত ইনদিপেনডেনশ দি নত্তে লোইনমক ভারতকী প্রজাদি ওইরগা মী খুদিংগী Freedom of speech, freedom of the press and freedom of making the peoples' Government ওইজরি। আইনগ মথাংদা Greeks and Barbarians খাইরোইদবনি।

"চিংনা কোইনা পন শাবা
হাওনা কোইনা পন ওাকপা
মনিপুর সনা লৈবাক"

